থাইনগী নিংশিং থুদম

অমসুং

শারকগী মওং মতৌ

পকোঙবা
ইউনিভর্সেল লিটরেরি এসোসিয়েশন

খাইনগী মিংশিং অধুনকাল

অমসুং

শাক্সনগী মওং মতৌ

মল মূল্য ১০

ইণ্ডিজেনস লিটরেরি এসোসিয়েশন

অকোংবা— ইউঃ এলঃ এঃ



শুংনব— ... নবা

কপি— ৭০০

পুথোকপা মার্চ ২১, ১৯৮২

কংথব— ইম্ফালগী লাইরিক য়োনবা মুকানশিং

কে, ধীরেন, জেনেরেল সেক্রেটরিনা ইউনিভর্সেল লিটরেরি এসো-
সিয়েশনগী মতুং শিন্দুনা থোংনাংথাবা প্রেসতা নম্‌গা পুথোকপা।

অন্থুংদা

ইউঃ এলঃ এঃ না শিন্দুনা
অক্টোবর ১৮, ১৯৮১ দা
পাংথোকখিবা, সেমিনার
Archaeological & Historical Monuments in Manipur দা লাথোকখিবা
পেপরশিংদগী নমথোকচবনি ।

ক্মাক্লোদোক

Archaeological and Historical Monuments in Manipur.

সেমিনার অসি অহানবা অমসুং অনৌবা থিম অমা ওইনা পাইখৎচরুবনি ।

এসোসিয়েশন অসিনা অমা নৈনবদা ওরুবা, মতম শাংনা চংবা য়াবা-ঙাক্ত নোংমতদা, তেল্লবা মতম্ অমুদা লৈইশিল্লিনগনি হায়না থৌরাং তৌরিবসিমক মরুবা অমনি হায়না হায়দবা ঙমদে। অম-মমগী মশা-মরেংনা মাইকৈ তারাদা শক্লোকপা ঙমরুবা ঙাক্তনি। অতুবু ঙসি ক্ষাওবদা লম অসিদা অসিগুম্বা থৌরাং অমদি থৌশিল অসি য়াম্না ঙনবা মতমদগী থিজিল্লকপগী বাক্ম খর য়াংনরুগী অতুবু ইকুই কুইদনা মাইকৈ অসোমদা মীতৈ মাইচৌ অমদি লৌশিং লৈবা অখং-অহৈ কয়ানা পুন্না চংমিন্নরকপগী মঙাল অমদি উজৈ । ঐখোয়না টোপিক খর পুন্না লৌখৎচরিসিদি মীয়ামদা চাওরাকপা কায়াৎ অমত্তং উহনবা ঙমগদ্রা হায়দুনা হোৎনজরুবনি ।

হৌজিক মতম চপ চারবনি হায়বগী মতাংদ সরকারনা ঙমহুনা ফুমজিনগ্রবা অবাং আইঃ ওঃ সিঃ মনাক্কী কংলা থাজপাৎ মীয়াম্নগী অকনবা খোল্লাও অমদি মতিক চাবা প্রমান কয়ানা শৌগত্তুনা অমুক তৌথোকপ্রে অদুদ নত্তনা মীয়ুথোং বাংমগী হাট্টাদগী কোম্নুং মমাং তাবা থাজপাৎ তৌথোকবা সরকারনা থম্নবা হৌখ্রে ।

সরকারগী কমিটি কয়া শেমদুনা অদুদগী নত্তুনা লম কয়াদ থিগৎনবা মরি লৈনবা ডিপার্টমেণ্ট কয়াসু সরকারনা হাংদোকখিবা কন য়ামদ্রে। লৈঙাক্লোই অমদি শেমগৎপগী কাংলুপ কয়ানা মতম কয়াদগী থওইবিরমগ্রবা ইতিহাসকী; খুনাইগী, লাইনিং লম্বীগী, লোলগী মচাক থিবদা মতেং পাংবা য়াবা কয়ানি অমসুং মীয়ামগী খোল্লাও অহুগী মথাদ সেমিনার অসি পাইখৎ চরুবনি। মসি মীয়াম্ মমাংদা থরনবা থমজরিবা টোপিক কয়া অসি নত্তবা কয়ামরুম ইবি-ররুবা মে, ১৯৮০ দগী অইবা কয়াদা তরুজরকই— অদুবু থর অমদি য়েঙ্ছনবিরকখিদে।

চিন্নবা মতম কয়া কায়খোক্লনা লৈবাকী অমদী মীয়ামগী য়েংহুনা ঙসিগী পাবিগদৌরিবা কাংবুবু থাগৎচরি ভমদি ডেলিগেট পুন্নমক্লা অবাং-অপা অশোয়-অঙাম কয়া পুথোকপিরকপদা ভচৌরা মতেং পাংবিরকনি হায়বগী থাজবা অমসু শঙলেন অসিনা থমজরি।

নৈনগদৌরিবা থর অসিনা খুনাইদা, ইতিহাসতা, লোলদা, লাই-নীং লম্বীদা হান্না লৈরম্লবা য়ারী কয়াদা মতেং পাংশিনবা অমদি অনৌবা মথা থিজিন হুমজিল্লিংবগী লৌশিং-পো অমা কাংবা ঙম্লবদি সেমিনার তৌরুরিবা অসিগী করিগুম্বা থরদি মাই পাক্লে হায়না লৌজগনি।

চময়বা, চয়েৎনবা কয়াগী লংজিন পুথোকপদা সেমিনারনা মতেং পাংই অদুবু ঙসিগী সেমিনারদি হিরম অসিদা সেমিনার কয়ামুক লাক্লবগী লংজিন অমত্তং পুথোকচবা পামজবতনি।

কেঃ ধীরেন

জেনরেল সেক্রেটরি

ইউনিভর্সিয়েল লিটরেরি এসোসিয়েশন।

নিংথৌমচা হিরুন

কংজেলা

মতম অমদা মনিপুর তম্পাক অসি ঈশিংনা থুমহন্না লৈরমই। লাই পাজনবনা হুডংতা হায়না শাইওন তৌহনা চিংগুমহৈপু হোগায়হন্না ঈশিং চিংখি। ঈশিং, চিথরকপা মতম অসিদা তম্পাকী লমদমগী মহুংদগী কংলাগী লম অসিনা ইহান হায়না ঈশিং কংখি অমস্তুং মমেক লানা ঈশিং কংহনা অথানবা থুম্বাকম লেমখি। কংলাগী লমদম অসিনা ইহান হায়না, ঈশিং কংখি য়ামবা বাকম অসিবু শোৌগৎপা বাকম অমস্তু অমুক লৈরমলে। মনিপুরগী মথা-থংবা শরুক্তা লৈবা গুথু, কোব লম অহুংগী চীংদোলগী উচেক ১না অনেম অরাং নাইদনা চীংদোম্বা, বাংলিবা মহুগী, চাংদা অস্ত্রম পাইরকপদা কংলা য়োবা মতমদদি উচেকী মখোও অহুনা চপ-চানা লৈপাক লোকই। মসিনা তাকপদি কংলাগী লৈমায় অসিগা গুথুগী চীংদোনগা বাংবা চপ মাত্রে হায়বনি। অহুনদি, ঈশিং চিথরকপা মতমদা তম্পাকী মহুংদগী কংলানা হায়না কংকম লোকলে। পুম্নমক অসি কনাগুম্বগী লৈহাও চেন্নবা কোক্তগী পুখোরকপা বাকম মাল্লি। মতুংদগু অসিগুম্ব বাকম কয়া পুখোরকখিব য়াই। কৈ, পুখোরকসঙ্গু; বাকম অহুনা নাতৈ চাবা অমদি মরমচাবা ওইরবদি মীয়াম্না থাজনবা বাকম অম অহুম ওইখিগনি।

মমাংঙৈগী মতমদা মনিপুরগী কোন্নুং ওইরম্ব, হৌ জিক্না কোন্নুং অমনবা হায়না খঙনরিবা মকম অসিবু ঐখোয়না কংলা হায়না খঙনৈ। হৌজিক্তি কংলা হায়রগা কোন্নুং অমনবগী মকম অসিবু খঙনবতা নত্তনা কোন্নুং হায়ব বাহৈ অসিগী অর্থদস্তু শীজিন্নরে। মহৌশানা ঐখোয়না খঙবদি লৈবাক্কী মপু অমদি নিংথৌনা লৈবা মকম অমম্নুং লৈবাক ঙাকপগী থবক থৌরম পুন্নবা ময়ায় ওইবা মকম্ব, কোন্নুং হায়না খংনৈ। মনিপুরগী মন্নুংদা কোন্নুং ওইরম্ব মকমদি য়াম্না লৈবা য়াই অদুগা কংলা কৌবা মকমদি অমত্তনি। অদুগা কংলা হায়ব বাহৈ অসিনা কোন্নুংগী অর্থদস্তু শীজিন্নরমলিবা অসিদি করিনো ?

কংলাদি পাখংবগী ফম্বাল মথম্নি। অদুনা মনিপুরদা পংনবা নিংথৌশিংনা ফম্বাল তোংব তাবরবদি কংলাগী পাখংবগী ফম্বাল মকম অসিদা তোংগদবনি হায়না অখঙবা অহনশিংনা হায়নৈ। পাখংবগী ফম্বাল মকম ওইরিবা কংলা অসদি খোংলম তাবংনা কোন্নুনা কোয়না চেল্লি। কংলাবু কোন্নুনা চেল্লব খোংলম ৭ অদুদি খাথোং লাইখোং, মরোঙথোং, কিত্তথোং, লম্বাখোং, চরোইখোং অমস্নুং য়ম্বীখোং অসনি। খোংলম তরেৎমক অসিনা কোন্নুনা চেল্লি হায়বগী কোন্নুং কৌএ। মাসি অরিব লাইরিক্কী বাকমনি। বাকম অসি খল্লুরগদি কোন্নুং হায়ব বাহৈ অসিনা খঙনবদি পাখংবগী ফম্বাল মকম ওইরিবা অমদি খোংলম তরেৎনম্ব, কোন্নুনা চেল্লিবা মকম কংলা অসিতবু খঙনবা তারে।

অমরোমদা হায়রগা মথক্তা হায়রিবা বাকম অসি কোন্থুং হায়বা বাইহ অসিগী হৌরককম অমদি থোলকপগী বাকম ওইবস্থু য়াই অহুগা মনিপুরগী মন্থুংদা অশংবা কেন্থুং হায়বহু কদ ইদা লৈবগে হায়বহু তাকুবা ওইবা য়াই। অমবু ওইরবস্থু অমবু ওইরবস্থ কংলাগা কোন্থুং হায়বসিগা অনি অসি য়াম্না নকুবা মরী লৈনরে অমস্থুং কংলাগী অতেপ্পা মমিং অমদি কোন্থুং কৌই হায়বস্থু য়ারে।

কংলাগী অতেপ্পা মমিং অম তিম্নকোকতোম লাইমকোন কংলা নোংথৌ ফম্বীরেন অথোইবা কোই। মীতৈ লাইরোনগী মতুং-ইন্না কংলা অসিগী মনাদ লাইরেন ১, থিংগু ১, ওকলাবা ১, শল ১, শামু ১, লেমাইল ১. অমস্থুং লাইজাও ১, তরেৎ অসিনা থ রি অমস্থুং লাইরেল তাওরোইনাইগী মথোয়গী মথক্তা কংলা শাথিবনি হায়রি। মতাং অসিদা ঐখোয়না বারী মতেক অমত্তং লীব য়াই। মনিপুরদা মৈদিংঙু নাওফোংবনা নিংথৌ ওইহুনা পানবা মতমদ নোংচুপলে মদগী পাঙল অম লাকখি। পাঙল অসিনা মহাক্না লইনিং লমংৎ অহুবু লৈবাক অসিদা শন্দোক্নুনা চৎনহন্নবা হোৎনবতা নত্তুনা নিংথৌ নাওফোংবগী শঙ্গাই য়ুমজাও-বুস্থ শাননবা থৌরাং তৌরমই। মহাক্না শঙ্গাই য়ুমজাও শাননবা উরেপ উয়ুং য়ুংথলমই। মতম-অসিমক্তদা চহি ১০ক্তা হাইরিবা অশাংবম ল.ঈব কৌব অঙাং অমনা লাক্নুনা নিংথৌগী মফমদা "হে নিংথৌও; পাঙল অসিনা নিংথৌগী শঙ্গাই য়ুমজাওবু শা-পনি হায়হুনা য়ুংলিবা উরেপ উয়ুংশিং অসিদি শোয়রে, নবুথৌ

তাওরোইনাইগী মাংখী শোকলে" হায়না হঙ্খলরে। লাইব হায়ব অতাং অসিদি লেবাক্তী লাইনিং লমচৎনচিংবা কয়াবু চুমথোক্লনা জেপাক মন্না তম্না পাল্লবা থননবগী মঙ্গা লাইনিংথৌ পাংথবেনা [illegible] মখা অপোক্তা পোকলবনি। লাইবকা হায়ব মাফম অহুমু নিংথৌনা থাম্বিবা পোক্লহনা। নংগী ঐখোই অতাং হুরকাও অসিবু অতাং নংনা অমুক লৌনা শাবিও" হায়না লাইবকী মফম-দা মাথং থিনকই। নিংথৌ মাগী কংলবদা অতাং লাইবনা চিন্নাইব থাংলোন মাপলমকপু থুবাক্তা শোক্লগ হায়না মুংলমথিব উখোংশিং অহুদা তরেৎলক মৈরগা শোর অমুক্তং থংকংখ কাম-থোকপদা উখোংশিং অহু মতোমতা লোইনা মুকতোকচল্লে অমসুং মথায়োমদা পাইথিহনা লোক্তাক্তা তাল্লে। উখোংশিং অহুনা মুক্তোকখ্রবদা উখোংশিং অহু মুংলখ উথুম অহোবশিং অহুদগী ঈনা ঈতাং তাংনা কামথোকলক্লে। পুন্নমক্তা কয়িনা মতৌসিদে হায়না ওকুম্বনা লৈরিংওদা অতাং লাইব। বুধৌ তাওরোইনাইনা ইনিংথৌ নহাকপু থক্কনগে হায়দুনা মতীক উৎলিবনে। মসিদি ঐতনা ওমলয়োইএ। অরাম্বম হোংবগী মুমদা ম'থ'ও ম'র অক তাওবা মথা লাংবা পুকচাও হায়না কৌবা ও' তম লৈমনি, মাহু লৌবিক্কও, মাবু শেংদোকহনসে" হায়না চঙ্গৎচন্নকই। লাইবনা হায়ব মতুংইন্না অরাম্বম মুমদগী পুকচাওবু লৌহললুরে। পুক্কচাওনা উথুম অহোবদগী চোংথোকলক্লিবা ঈ মন্নাম অহুবু শেংদোক্লগা থা-বাং নোংপোক নোংচুপ ঈশুমা লাঙ্গোলগী থোইবথুয়া

শক্লাই য়ুমকম অহুবু অমুক হয় তেমথোকলে। মাহুদগী লাইবনা মনিপুরগী চৌং মমিং নাইবশিংদগী উ মালহন্নবগা নিংথৌ শক্লাই য়ুমকম অহুবু অমুক হন্না তেমথোকলে। মাহুদগী লাইবনা মনিপুরগী চৌং মমিং নাইবশিংদগী উ মালহন্নবগা নিংথৌগী শক্লাই য়ুমজাওবু অমুক লৌহৌনা শাখি। মতাং অমিদা পল-হৌবা মাবা মাকয় অমদি লাইবনা শাবা নিংথৌ নাওকোবতা শক্লাই য়ুমজাও অসিগী-সনা য়ুম্বৌদি থাংজিং চৌংদগী উনা ওখি।

ত ইবং পানব মপু শিদবনা লৈপাক শেম লোইরবা মতুংদা তাইবং মশক থোকহন্নগে হায়হনা লৈপাক কৈদোম মাপল য়াৎলে লৈপাক কৈদোম মাপল অসিদি মঙাং, লুবাং, খুমন মোইরাং, থাব, ঙানব, শরাংলৈশাংথেম অসিগী অপোকপগী খুভমশিং অহুদি অমদি পুলৈরোম্ব অমম্বং লংব অপানবগী খুভমশিং লৈ। কৈদোম ৯ অসিদি কংলাগী লমগী মমুংদা লৈবা লিক্লাচৌং হায়বহুগী নোংপোকথংবদা লৈ। অসিগুম্বা কৈদোম মাপল অসিদগী থোইনা হেন্না বাংই হায়বগীদমক কংলাবু তিল্লিকোকতোম লাইম-কোন কংলা নোংথৌ কম্বীরেন অথোইবা কৌরিবনি। মকম অসিদা বাংব হায়ব বাহে অসি অনেম অবাংগী অর্থ নত্তনা মতীক মন্নাই লৈবা হেনবগী অর্থয়োমদা লৌবগুম তৌই।

কংলাবু কংলৈ পূঙ ময়োন মন্নাইগুমদোংপা কংলা থোনজ্রেৎ থোন-লাংমৈ মিরেন তোংমুবাব চৌং লাংশং চৌংময়োন হায়নম্ব কৌনৈ। মাসিগী মরমদি তাওরোইনাইনে লিনতাওরেমে অনিমকনা লাংশঙগী মথা ঊশিংগী মথক্তা লুঙমু তুমদ মাওদবা কৌনা লৈরে। মমিংদি

তাঙ্গোপালোকনাই কৌই। মাহুৎ মথক্তা তাইবংপানব মপু শিদবা মীওই শিদববু য়েংতাপায়, মাইমক শিদববু ওইদাপায়; হৌবী শিদববু য়েংত নেং, মুত্তনাং নাদবব ওইদা নেংতুনা লৈরে। লৈময়েন শিদবীনা হী মনিক শিদববু য়েংতা পায়, মাই মনিক শিদববু ওইদা পায়; মুক্তা মাইমকব য়েংতা নেং, মখি হী মকবু ওইদা নেংতুনা লৈরে। লৈময়েল অমদি তাইবংপানব মপু শিদবা অনিমকনা লৈএ চায়বগীবু কংলৈপুভময়োন ময়াইপুমদোংপাল কংলা খো ত্রেং খোনলাংগৈ মিরেন তোঙমুবাব চৈংলাংশং চৈংময়োন কৌএ। মসিদা নত্তনা লাইনিংথৌ লাইরেম্বীশিংগী অমসুং লাইপুংথৌ মাপলগী মুত্তকু মকম অসিদা লৈ। তাইবংপানবা মপু শিদবা অমদি লৈময়েল শিদবীদি মীতৈ লায়য়োনগী মঙুংদা থাইদগী অথোইবা লাইনি। অহুনা লাই অনি অসিগী লৈকম ওইবনা কংলা লাংকম্বু হেন্না লুবা অম লৈতরে হায়না অবিব লাইরিকশিংদা ইবগনি। লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনিগী লৈকম ওইবনা লম অসিগী মতীক ময়াই য়াম্না চাওত্রে অহুনা কংলা অসিবু কংলা নোংথৌ কম্বীরেন অংথাইবা হায়মম্বু খঙ রিব নি। চৌক্তিক ঐথে য়ুনা হমঙ্গিব কংলৈ পুভময়োন ময়াম পুমদোংপান হায়ব অসিদি ঐথোয়না চৌঙকী মতমদা খঙনরিবা কংলাগী লম অসিগী মঙুংদা লৈবা কংল ময়োল অহুবুনি। কংলা ময়োল অসিগী অকয়বদা মথল মথা অয়াম্ব হী-য়াইনা থল্লবা মকম কয়ামুক অংসু লৈরি। অহগা অবিব লাইরিক্তা মজুংইয়া য়েংলুরগদি মথক্তা হমঙ্গিবা কংলা ময়োলগী লম অসিভবু কংলা হায়না খঙনবগুম তৌই।

ঐখোয়না হৌজিক কংলা হায়না খঙনরিবা লম অসিগী মচুংদা কংলা উত্রা, কংলা ভকশঙ, চুচু, চুংজেং অসিনচিংব কয়ামরুম [illegible] লৈরি। কংলাগী অকোয়বকা লৈরিবা লমদম অসিগী মচুংদা চুপ কয়ামকম অমত্তু লৈ। পুঙশিং অসিস্থু হী যাই ওইনা চুঙশিংনা থম্না লৈ। পুঙশিং অসিগী মচুংদা ময়ায়পুং কৌবা অমা য়াওরি। হায়রিবা ময়ায়পুঙ অদুগী মোইরাং পা'ব রামদা খুদপ তরেৎলোম চখোকলগা উত্র লৈ। মকম অদুদা মীগী মশক য়ানবা চুপ অদুদি উপন লীপত্তনা লৈ হায়বগী হুপত্রা কৌএ। হৌজিক্কী মতমদা ঐখোয়না চুংজেং হায়না খঙনরিব অসি অরিব লাইরিক্কী মতুংইন্দি চুংজেং মখল অহুম ওই হায়রি। মখল অহুম অদুদি চুংজেং অপীশক চুংজেং অগোঙবা অমসুং চুংজেং অচৌবা অসিনি। চুংজেং অচৌবগী অরাংথংবা চেকয়াদা শেনগী চুরা অমা লৈ। পাখ'বগী শঙ্গাইগী নোংপোকলোমদা খুদুম ১৬ লোম লাপনা চেকপন ময়াদা লাই ওগী কমকম থুদা চুপ লৈ। অসি-নচিংবা কয়া অসি নত্তনা মথক্তা পনপ্রিবা কৈদোম মাপল রায়ব-হুগী কারনগী মপাদ অরংলোমদ খুদুপ মরি ওল্লগা পাখংবা পুঙ লৈ। কংলাগী মোইরাং লাইজিদা চৌথ্রিপুঙ, মৈরমদা চহুইগোকপী চীংথৈদা থুরাইপুঙ, কৌব্রুচিংথেক্তা লৈশাপুঙ, নোংপোক্তা লাইরেন সনা পুঙ লৈ। হায়রিবা পুঙশিং অসিদি কংলানা কোনবা লমগী ভমথৈ তাকলম্ব মাল্লি। মসিদা নত্তনা কংলানা কোনবা লমগী মচুংদা পাউতাকপুঙ, নাপঙপুঙ, রাঙমপুঙ, তাখোমপুঙ,

কাঙমৈপুঙ য়ারেপপুঙ অসিনচিংবা পুঙ কয়া ময়াম অমন্থ লৈরি। পুঙশিং অসি অচম্ব অমত্তা নত্তে হী য়াই ও রব। সুঙশিংনা পীক-থয়া লৈবা ঙাক্তনি অমম্নুং মতাং মতাংগী মতুংইন্না লাঙবা হৌনবা পোৎচং-চৈজং লাঙহ্নুনা পুঙশিং অসিদা ইরৎ থৌরম তৌরবদি লৈবাকী হুংঙাই য়াইফবা তান্নফংনৈ হায়হ্নুনস্থ ইরম্মী।

শন্না হায়রবদা ঐখোয়গী কংলা হায়রিস মীতৈগী খ্বাইদগী লুরবা লাইফম অম ওইবতা নত্তুন মতিক ময়াই লৈরবা হী-য়াই পুন্নমকীস্থ তুংনফম ওইরবা মফম অমনি কংলাগী মন্নুংদা লৈরিবা লাই-ফম-তিনফম অমম্নুং মত্থদা তৌগদবা ঈরাৎ থৌরম অমদ মফম অত্থদা লৈরিবা হী-য়াই পুন্নমক অত্থ মতেক থর অসি ইবদা লোইনমক শিংথাবা-ওম্ব পোৎ নত্তে অত্থগা ঐখোয়গুম্ব মী অমনা লোইনমক কুপ্পা নৈনহ্নুনা ভশেং ভশেংনা পোৎশক তাক্লবা হোৎ-নবা হায়ব অত্থস্থ ঙমফম থোক্তে। মফম অসিদা কংলাগী মরমদা ইরিবা অসিদি ময়াম অমগী মন্নুংদগী থরদং ইথোকচরগ। মাহ্নুনা মীয়ামগী পুক্নিং চিংশিল্লকহ্নুনা কংলাগী মরমদা চখনা থিরক্লবা লংলা লংজিন পুখোকপা ওইনা ইজবতনি। মীতৈগী অখোইবা লাইফম অমদি হী-য়াই পুন্নমকী তুঙনফম ওইরবা কংলাগী মরমদা কুপ্পা থিজিনবদি য়াম্না কান্নবা ওইগনি।⊙

Radio Carbon Dating

থিয়াম স্থবোল
ক্যুরেটর ষ্টেট মিউজ্যম

(রেডিও—কারবনগী মতেংনা অরিবা
পোৎশক্কি চহী লেপ্পা)।

অরিবা পোশক অমগী চহি হায়বদি কয়া কুইরবনো হায়বা খঙনিংবা অসি মীওইবগী পুক্লিংদা তোয়না কাওবা ঈথীল অমনি। করিগুম্বা অরিবা লাইরিক পুরানগুম্ব অমা ফংবদা মহু কয়া কুইরবনো হায়বা অসি চুম্বা খঙনিংবদা নত্তনা খঙদোরকপদা য়াম্না কাম্মনিংঙাইনি। পৃথিবীগী লৈথক লৈরোল নৈনবদা অইবা ইতিহাসকী মমাংগী অরিবা যুগশিং অমদি থোদোকশিং নৈনবদা য়াম্না কায়বা লিয়বা পোৎশক অমগী চহি পুথোক্নবা বিজ্ঞানগী পাম্বৈ কয়া লৈরে। মথোয়গী মরুংদা য়াম্না কামবা অমদি তোয়না শিজিন্নবা পাম্বৈ অমদি Radio-Carbon dating হায়বদি Radio-active ওইবা Carbonগী মতেংনা চহী লেপ্পা হায়বসিনি।

Radio-Carbonগী পা'ম্ব অসি W. F. Libbyনা মাগা থবক তৌমিন্নবা E. C Anderson অমসুং J. R. Arnoldপা লোয়নননা শোক ১৯৪৯দা পুথোকখি। মসিগীদমক Willard F. Libbyদা ১৯৬০দা নোবেল প্রাইজ পীখি। পাম্বৈ অসিগী য়ুমফম ওইরিবা বিজ্ঞানিক নীতি (Scientific Principle)গী শমলপ্পা

থাবোলদি অসিনিঃ--ট্রাবা, শা ৪া, তিল কাং মীওইবা মসিনচিংবা জীবপানবা খুদিংমক্কসি শাবদা চঙদবা য়াম্রবা পোৎচং অমদি Carbon য়ামগিদা পোৎচং অসিনি । চুম্বগী Carbon atom অমগী nucleusতা Proton 6 অমসুং Neutron 6 লৈ । থাওরিবা Proton অমদি Neutron শিংগী অপুনবা মশিং হায়বদি অতোমগী Mass Number অসি লৌহনা চুম্বগী Carbon সিদু C_{12} হায়নাহ শঙৈ । পৃথিবীদা লৈরিবা অমাংবা Carbonদি C_{12} নি । C_{12} অসিগা Chemical properties শা চপ মানবা হায়বদি Proton 6 থাওবা Neutronগী মশিংদি ৮ থাওবা carbon অমদু C $_{14}$ নত্রগা Radio Carbon হায়না শঙৈ । C_{14} অসি Radio active ওই হায় দি মখতা অমুক থর্দদা electron অমা শীলোকরগা Nitrogen ওনই C_{14} অসি করম্ম থোকহল্লি অমদি মসিনা মতৌশাগী কাচিন কোয়া য়েৌম জীবশিংদা করম্মা চাইথোক্লকনি হ'মরদু য়েংশি । পৃথিবিগী মুংশিৎ কুয়োম (Atmosphere) অসিদা থম্বংদগী লাকপা Cosmic raysশিংনা অতৎপা লৈতনা লৈরদি । Cosmic rayশিংনা য়েবদ' মুংশিৎকী atomশিং কাইহনা Neutron কয়া থোকহল্লি । মুংশিত্তা মরাং কায়না থাওরিবা Nitrogen atom শিংগা থোক্তজেল তথা Neutron শিংগা থেংণাইনবদা C-$_{14}$ অসি থোকহল্লি । অমুম্ম থোকহল্লিবা C $_{14}$ অসি 'থুনমক Oxygenগা মুংশিত্তা ভিজহনা Carbon dioxide

(Co_2) molecul ওইহনা হুংশিল্লা তিমখি। অমুম্মা Ratio-active ওইরা C_{14} য়াওরবা Co_2 অসি চুমলী random Process নি। Atom অমনা মতম অমুকী মতুংদা decay তৌগনি হায়রিংতাই নৈতে। মখল অমত্তা Radio-active atom কয়াম নৈবা মতমদা decay তৌগনী চংশি ইহাক [illegible] exponential Lawঅদা [illegible]। অসি half life [illegible] অমনা কৌংকোকপা য়াই। C_{14}কী half life অসি চহি ৫৭৩০ ওোবনি। হায়বদি য়ম্মা অকক্বগা মশিং অমগী atomশিং হুম থম্বদা চহি ৫৭৩০গী মতুংদা তঙাই অমা decay তৌখিগনি; তম্ব ৪ অমা নৈহৌগনি। মথং চহি ৫৭৩০ অমগা তাইরবদি হায়বদি পুম্বা চহী ১১৪৬০ নৈরগ দ হায়গীহুগী শকক মরি থোকপগী অছুম decay তৌখিগনি অমা নৈহৌগনি।

অসুম্বা জীবনা শিরবা মতুং চহি ৫৭৩০ নৈরবা মতমদা য়াওব Carbon অদুদা নৈরিবা Carbon-ratio হায়বদি C_{14}গা C_{12}কা য়ামনবগী চাং অসি তঙাইদা হনগনি। অদুনদি Carbon ratio অসি ওন্নগা জীব অদু শিব কয়া চুইরবগে হায়বা খেঙ্গা হুমগনি। মসিদি Carbon datingগী নিতি অসি। মতাং সিনা শঙ্খলিনগনবদি হেক হিংলিরবগে জীবদা য়াওবা Carbon ratio অসি চপ মানবা চাং মমদা লৈরবা নৈ, মকম অমসুং মতমগী মথা পোকখে। চুমলী Carbon atom কোটি ৮০ ($8 \times 10^{11} = 80,000 \times 10^{7}$) খুদিংগী C_{14}

atom, অয়মম য়াওই । মসি করম ওইরক্লিয়নো হায়বদা অহানববদা, পৃথিবীগী মুংশিং কুয়োমদা য়েররিবা Cosmic raysকী intensity অসি হোংবা নাইদনা অরেপ্পা চাং অমদা লৈ, মরম অদুনা atmosphereদা C_{-14} থোকহনবগী চাংস্থু হোংদনা লৈ । অনিগুবদা Radio Carbonনা decay তৌবগী চাংসিস্থ হায়বদি half-life অসিস্থ হেংবা লৈতে । অহুমগুবা দা Carbon Cycleনা মহৌশাগী কাচিন কোয়া য়োনা Carbon য়েনথোকপা নত্রগা চথাইথিবদা চংলিবা মতমসি Rabio Carbon গী half life কা য়েংনবদা য়াম্না তেল্লি । মরম অহুম অসিদগী মুংশিত্তা Carbon ratio অসি লেংদনা Equilibrium value অমদা লৈ । অকগী লোলদা হায়রগা অসিগুম্বা Equilibrum অসিবু Secular Equilibrum কোই । অপুম্না অহিংবা জীবদা য়াউবা Carbon ratioস্থ মহৌশাগী ওইবা অককনবা চাংদা অতুম লৈ । মসি চহি লিপিং কয়াগী মমাংদগী হোংবা নাইরক্কবনি অহুবু কুনগুবা শদাব্দী অসিদদি কয়লা, Petroleumনচিংবা মৈ থাবদা থোকহল্লিবা খুৎশেমগী ওইবা Co_2 অমদি Nuclear Explosionশিংদা C_{14} কয়া থোকহনবা অসিনা মহৌশাগী ওইবা Carbon ratio অচু ফনা য়াম্না হোংহল্লে । মসিগী খুদোং চাদবা অসিদগী নানথোক্লবা, মহৌশাগী ওইজবা Carbon ratioচু লেপ্পগী মতাংদা অথম্নবা Standard Reference অমা শিজিন্নবা হায়না শোক ১৯৫৯দা Groningen দা কমথিবা International Conference অমদা লেপখি ।

হৌজিক অমুক Carbon D tingগী নীতি অসি শিজিন্নবগী অথন্নবা লৌশিং (Technique) অহূ অমুক লেংশি। পৃথিবীগী চাংয়েংশিং (Laboratories) কয়াদা শিজিন্নরিবা Technique শিংগী হোংদোক হোংজিন কয়া লৈ । ভারত্তা মতিক চাবা খুৎশু-খুৎলাই নীংথিনা লৈরবা Carbon Datingগী চাংয়েংশঙ অমা লৈ । মসি অহানবদা Homi Bhabaনা লিংখৎলম্বা Tata Institute of Fundamental Research, Bombayদা শোক ১৯৬০দা শেমগৎপা হৌখি অদুগা ১৯৬১ লোইরমদাইদগী থবক নীংথিনা চৎথবা হৌখি । হায়রিবা Laboratory, অসি হৌজিক্তি Physical Research Laboratory, Ahmedabadতা হোংল্রে । Laboratory অসিদা শিজিন্নবা Technique অদুগী চাওরাকপা য়ারোলদি অসিনি ।

অহানবদা dating হৌগদৌরিবা Sample অহু, খুদম ওইনা কুইরবা উচেৎ, মৈতাল, শরু-শয়াং, অহু নিংথৌনা খুৎ চঙনা চানবা পাইবা শিজিন্নহনা শেংদোকই । নীংথিনা শেংদোক্লবা Sample অহু Radio activity ওনবদা খুদোং চাগদবা gas, Co_2; নত্রগা Methane নত্রগা Acetylene নত্রগা ethane gasতা ওন্থোকপা তাই । gasশিং অসিগী খুদোংচাবা-চাদবা (merits and demerits) কয়া লৈবনা তোঙান তোঙানবা Laboratoryশিংদা তোঙান তোঙানবা gas শিজিন্নৈ । মথক্তা

পাঙ্খিবা তারকশী Laboratory অসিদা অহানবা acetylene gas ওইনা শিজিন্নরমী। অদুবু acetylene gas অসি পোথাইগনবা ওইবনা কৌজিক্ত হেন্না কুপশিনবা Technique শিজিন্নহনা methane gas ওইনা শিজিন্নরে। শেংদোক্লবা Carbon sample অদু য়াম্না শেংবা oxygenদা মৈ থাহনা CO_2 gas তা ওন্থোকই অদুদগী methane gas শুংনবা unit অমদা অশেংবা hydrogen শিজিন্নহনা methane gas তা ওন্থোকই। অদুম্না Radio Carbon য়াওরবা methane gas অদুগী Radio activity অদু ওন্নবা gas counter অমদা অককনবা pressure দা থাকিল্লি। Radio Carbon গী β-ray (beta ray)শিং য়াম্না মপাঙ্গল শোল্লি লোয়নননা ওনগদোরিবা Radio activity অদুগী intensity দু য়াম্ন পীকই। ময়ম অহনা য় ম্না অথম্নবা counterগী design অমা Houterman অমসুং Oeschger না পুথোকখ্রে। Radio carbonদগী থোরকপা β-ray শিং অদু gas counter অদুদা থোকহনবা electric pulse অদু electronics কি মতেংনা মশিং থিরগা counting rate অদু ওল্লি। Sample অদুনা হিংলিঙৈদা য়াওরম্বা Carbon ratio অদু লেপ্পবগীদমক্তা মথক্তা পনল্লবা standard reference অদুগী Counting rate অদু অমুক ওল্লি। Counting rate অনিসিবু থঙনবদি radio carbonগী half lifeসু থঙনবনিনা মথক্তা পনখ্রিবা Radio activity গী exponential law

অহুনগী Sample অছু চহি করাগী মমাংদো শিন্দিনগে হায়রবা লেপ্পা
ররে। মসিগী ঐখোয়না খঙলে মহুদি Carbon datingদা
লেপশিবা চহিসি কব্রিগুম্বা খৌদোক অমা খোকখিবগী মতম অহু
ওনবা নত্তে। হিংলম্বা পোৎশক অমনা শিখিবা কয়া কুইরবগে
হায়রন্থু ওনবনি।

বিজ্ঞানগী পাম্বৈন করিগুম্বা অমা ওনবদা অরান অহুই য়াও-
দনা চপ চানা লেপ্পা হায়রবসি· ওইথোক্তে। ফন নিংথিনা শেম-
শারবা পাম্বৈ ওইরবসু অরান অহুইগী খোংবান অমা হায়রবদি
error margin খর লৈগনি। Radio carbon গী half life
অসি লেপ্পদসু চহি 40গী error লৈ হায়রবদি half life অসি
চহি 5730±40 years নি। Half life অসি য়াম্না শাংবনা
অমদি লেপকদৌরিবা চহিদু half life অসিনা হকথেংনবা চাং-
চত্তা লৈবনা (directly proportional) ওনবদা error
খজিক্কং য়াওখিবদা লেপখিবা চহি অহুগীদি য়াম্না চাওবা error
ওই। মরম অহুনা errorগী হোৎককমশিং খঙব অমদি হন্থহন্নবা
হোৎনবা দরকার ওই।

Dating তৌগদৌরিবা sample অহু জীব পানবা অমগী
মশাদা য়াওরম্বা শকক অমা হেক্তা ওইবা য়াই। খুদম ওইনা
শম, শক; য়া, মৈতাল, উচেৎ-বাচেৎ অসিনচিংবা। Sample
অহু কংফম অহুদা চহি কয়া লৈরুরবনিনা মাগী অকোয়বদগী চঙ-
শিন্নকপা Carbon শিংনা Sampleহুগী চহি লেপ্পদা অরানবা

খোকহল্লিকোই য়াবা ওই। থুদম ওইনা Sampleদা উ-বাগী মনা মচাশিং কাওজিন্নুনা লৈবা থেংলে। Sample হুগী মকোরবদা লৈবা অপুম-অশাদগী Humic acid কাওজিন্নুনা লৈবা য়াই। হায়রিবা থওংশিংসিদগী য়াওশিনখিবা পোৎথাং ওইবা Carbon শিংহ লৌথোক্কবা physical অমদি Chemicalগী মতিক চানা লৈরে।

হৌজিক অমুক কনাগুম্বনা অসিগুম্বা অরিবা পোৎশিং অসি ভৌ-থোৎপদা থেংনবদা Sample করম্না খোমজিনগদগে হায়বহুগী য়রমদা থরদং থম্বা য়াই। Sampleগী size অসি চাওরাক্না অশেংবা Carbon gram 5 রোম থোকহনবা ঙম্বা ওইরবদি য়াম্না কৈ। হায়রিবা চাং অসি ফংনবগীদমক্তা তোঙান তোংঙানবা মখলগী Sampleশিংগী অরুম্বা অসি চাওরাক্না মৈতাল ওইরগা gram 15, শরু-শয়াং ওইরগা gram 350, উচেৎ ওইরগনা gram 20, থরোয় খোইবুংগুম্বগী মকু ওইরগনা gram 250 শাগী মচি ওইরগনা gram 200 রোম ওইগদবনি। শরু শয়াংদি লৈব্রুংদগী হীশিংগা তিন্নরগা carbonateকি চাংসি য়াম্ন হোংদোক হোংজিল্লে তৌবনিনা dating তৌবদা থুক্কনিংঙাই ওইবসি অতৈ মখলগী Sample শিংগা য়েংনবদা থর বাৎলি। মৈনা চাকথোক্লবা শরু শয়াং ওইরবদি থাক্কনিংঙাইসি থরা হেনগৎলি। থাক্কগী ভেক করদি মৈতালগী জাৎসিনি মরু ওইনা মতম কুইনা

হিংলমমবা পাম্বীগী মৈতাক্প্রদয় ওইনা থৈরো চায়থারো হৌ, সেহ, হবারনাহং আকনা ঙাককন্দ্রেরো খাকানঙ্গাহ ওহ।

Sample অহ লৈরমজিবা মকম অহূদগী লৌখোক্তি লৈদা Sample অহৌগী অকোয়বদা লৈবম্রিবা দৃশ্য অহূগী মরমদা data অদুহ্ অতানবোৌবা য়াম্না কৈ। লোয়ননা Sample মখাহূরা লৈখোন লৈখম্রবদি মঙুহ্ থগজিনবা dating তৌবগী importance অহূগা Archeologyগী মতেংনা মহূগী চহি চাওরাক্লা লেপ্পা ওয়বদি মহুস্ন অসিনচিংবা data শিংসি পীরবদি Sample চুগী চহিহ্ য়াম্না বিজ্ঞানিক ওইবা মওংথা লেম্নদা য়াম্না মতে পাংই। অহূগা Sample অহ লৈকয়দগী খুনগৎচুরা চাংলেংশওদা থারক্নবা শেম শাবদা মপালগী Carbon য়াওবা পোৎ অমত্তা Sampleহূদা চওশিনবা অমদি তৈদনবা হোৎনগদবনি। চুম্না খুৎনা পোকপদা থোইনা কাইদে, অহূব খুৎতগী মরেক-মহাও, Carbon য়াওবা পোৎমাং পকশিনাখদনবা চেকশিনগদবনি। Stainless steel গুরগী তরবা চেপপকুব শিজিন্নহূনা Sample হূ খুনগৎপা কৈ। চংয়েং শওদা খানবগীদবক মোকদহ্ পোৎখাং চওখিদনবা চেকশিনবা কৈ।

Radio Carbonগী পাম্বৈ অসি চহি 80,000 (40,000) য়োমদগী থোইনা তেম্না লদবা Sampleশিংগী চহি লেপ্নদা য়াম্না কায়ে। থোইদোক্পা কুপশিনবা Tecnnique শিজিন্নরগা চহী ৭০,০০০ য়োম ওরবা Sampleগী চহি লেপ্পা কাওবা ঙমি।

Radio-Carbon গী পাম্বৈ অসিগী শিজিন্নবিবা Technique অসি হেম্না হেম্না কগৎলকপগা লোইননা পাম্বৈ অসিনা লেপ্পা চহিগা অতৈ পাম্বৈশিংনা লেপ্পা চহিদগী মরুপ্ত খৈনবা থর লৈবা থেংনরে। মাসিগী মরমদা বিজ্ঞানিকশিংগী মায়বা মত অমা হৌজিকসম্ফি লৌত্রি। ৩

স্নুংদা হক্লম ইরম্বশিং

কুমারি কৈশাম্ সবিতা
এসিষ্টেন্ট ক্যুরেটর
মনিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়ম।

জাতি অমগী য়েলহৌঙৈগী ৱারী-ৱাখোং, লাইমিং-লম্বী অমদি চংনরোলনচিংববু মরিক চুম্না শেমগংপদা স্নুংদা ইরম্বা লাইরিক ১স্নুং হক্লমবা মুর্ত্তিশিংনা চাওরবা শরুক য়াহুনা লাকই। ঐখোয়গী লৈবাক-তম্নু হৌরবা নিংথৌরেলশিংনা মখোয় মখোয়গী হাকতক্তা হৌথিবা থৌদোকপু নিংশিংহন্দুনা য়ুংলম্বা স্নুংশিং মরাং কাইনা উবা ফংলি। অসিগুম্বা স্নুং য়ুংবগী চংনবী অসিগীস্নু তোঙান তোঙানবা অর্থ কয়া-মরুম লৈ হায়রবা থাজনৈ। কনাগুম্বা অথং-অহৈশিংনা কোংদোকই মচুদি মপান লমগী মীওইশিংনা চংলকপা মতমদা স্নুং য়ুংবা উরবদি লৈবাক অসি নিংথৌ পানবা লৈবাকনি থংনহল্লি অমস্নুং কনাগুম্বনা লৈবাক অহুদা মাংন তাক্লনবা তোগে থন্দুনা লাক্লবস্নু স্নুং য়ুংবশিনা অহুগুম্বা ৱাথলহু মাংহল্লি হায়নস্নু থম্লে। সম্না হাইরবদা মৈত্রবাক্তা স্নুংদা হক-থোংতুনা থন্নরম্বগী মঙসিনা হৌরবা মতমশিংদা মৈতৈ নিংথৌশিংনা থৌনা ফনা লৈবাক ঙাক্লমই হায়বসি তাকই। অস্নুম্না স্নুংশিংনা মৈত্রবাককি চাওখৎপগী লায়বা থুদম ওইরম্মী। মমৈথংদদি নিংথৌরেলশিংনা মতমচুগী থৌদোকপু নিংশিংহন্নবা য়ুংলম্বকতা নত্তনা

লৈবাক চাকহোং ঙাহোংহনা, অরা-অনা য়াওদনা, মরা তপ্পা পান্ন-বগীদমক্তা কংলৈবাকি মকম কয়াদা হুং য়ুংলম্মী। (১)

অসিগুম্বা নিংশিং থুদম ওইরিবা হুংশিং অসি মৈত্রবাককি থংনবা লমশিংদন্থ য়ুংলম্মী। হুং য়ুংকমশিংগী মরক্তা মথাগি হুং য়ুংকমশিংসি পম্বা য়াই, মহুদি—

১। ভেংনৌপল ডিস্ট্রিক্তা লৈবা খোইবু খুঙ্গংদা।

২। কোম্হৌজম লাইরেমাগী জাগাদা।

৩। ঙাপ্‌মচিংজিন মনাক লোইজিং চিংদা।

৪। খারাম পালেন হাওখুলদা।

৫। কোম্হুং অমনবগী নোংচুপ খোংদা।

৬। জিরি রোডতা লৈবা নোনেখুলদা।

৭। মরিস্থবা অসাম রাইফলসকী কমানদেন্তকী ইঙ্গোলদা।

৮। চিংমৈরোংদা।

৯। হিয়াংলমদা।

১০। হাওজুংবানদা।

১১। লামদোংদা।

যুতুবা বহায়ুর— মনিপুর আর্টকী বারী শিংযুন Part III (Page 31)
(১) হুড য়ুংলবদি লৈবাক চাওখৎলি খল্লে। × × × × × ×। মোইরাং শহোতদা মৈদিংগু খাগেম্বা (খৃঃ ১৫৯৭-১৬৫২); ভাগ্যচন্দ্র (খৃঃ ১৭৫৯-১৭৬২); সুরচন্দ্র (খৃঃ ১৮৮৬-১৮৯০); চন্দ্রকির্ত্তি (খৃঃ ১৮৫৯-১৮৮৬); নরসিংহ (খৃঃ ১৮৪৪-১৮৫০) অমসুং চুরচাঁদ (খৃঃ ১৮৯১-১৯৪১) বিংথৌ ওবা য়ুংলম। হুং কংই।

১২। কক্‌চিং খুনোদা।
১৩। মখ্রি পুখ্রিদা।
১৪। সিব্রোন চিংদা।
১৫। লাংজংদা।
১৬। নিঙেলদা।
১৭। কোহিমাদা।
১৮। তিপাইমুক্তা।
১৯। ভুবন চিংদা (কাসারদা)।
২০। অথুই হাওখুদলা।
২১। জুনাল তুরেল মনাক্তা (বাঙ্গলাদেসতা)।

মণিপুরদা য়ুংলম্বা লুংশিং আস মখল মরিগী ওইনা তৌই। মতুদি—

১। লাহারক ময়েক ঙাক্তা ইবা লুংগী মখল।
২। লাইরিক ময়েকা কোন্নবা সিমবল্‌ হক্লম্বা মখলগী লুং।
৩। অহুমসুবদা সিমবল্‌ ঙাক্তা য়েকপা লুংগী মখল।
৪। মরিস্সুবদা মুর্ত্তি ওইনা হকহল্লম্বা য়ুংলম্বা লুংগী মখল।

লুংশিং অসিদা কনাগুম্বা নিংথৌনা লান ঙম্বগী মরোল হকহল্লমী, কনাগুম্বনা লাইদা লম, লৌনচিংবা কংথোক্লমবগী মরোল, লৈবাক ঙাকলোন, কোম্লুং, সহর অমলুং কৈথেলনচিংবা সঙ্গারমবগী বারোল হকহল্লমী। হৌজিক কাওবদা কংলিবা লুংশিংগী মরক্তগী থাইদগী লিবগি খোইবু মক্কিং খুলদা (ভেংনৌপল ডিষ্ট্রিক) ক্যাম্বা মহারাজনা য়ুংলম্বা লুং অসিনি হায়বা য়াহ। খোহবুদা তোঙাল-তোঙালবা

নিংথৌশিংনা নুং মতা য়ুংলম্মী। থুয়েক ১,২,৩,গী হুংশিং অসি খোই-বূদা য়ুংলম্বা হুংগী শক্তমনি। হৌজিক্কী মথোরশিং অসি মীয়ায়া লেংবিনবগীদমক্তা মণিপুর ষ্টেট মিউজিয়মদা উংথুনা থমলে।

থুয়েক ১— খোইবূদা য়ুংলম্বা লাইরিক ইবা হুঙ

হুং অসি শাংবনা ফুট ২গা ইঞ্চি ৩নি, পাকপনা ফুট ১গা ইঞ্চি২ হুং অসিদা মৈতৈ ময়েক অরিবনা মথাগী অমুম্বা ইরম্মী। মচুদি—

পক্সে ১বা	+য়ৌমৈ	চত্নুগী	সায়ানে		
২স্থবা	সামৈরাং	থামংলাংগি	সাইকোননে		
৩স্থবা	পু	মারিং	পনত	লাই	সঙ
৪স্থবা	বা	লা গি	মাপু	অসিদা	
৫স্থবা	—হামৈ	শেমবা	কৈ	ঙাওবানে	
৬স্থবা	তৌহৈ	তে	খংও		

মথক্কী য়াহৈশিং অসিদগী হুং অসি সামৈরাং অমসুং থমংলাংগী মতমগা মরি লৈনৈ হায়বসি লাইনা খঙবা ঙমই। পাস্লোনক্তেংথা হায়বা লাইরিক অচুগী মতুংইন্না খৃঃ ৪২৮ দগী ৫১৮ ফাওবা পনখিবা মৈদিংঙু নাওফংবনা কাইরৈম্বা অমসুং য়াওরৈম্বা চহু+অনিবু পানচুনা সামৈরাং অমসুং থমংলাং মথংশিংনা পোকখি। সামৈরাংনা খৃঃ ৫১৮ দগী ৫৬৮ ফাওবা পানখি অচুগা থমংলাংসু খৃঃ ৬ শতকদগী লোয়শিল-লকপা চহিদা লৈরমবনি হায়না মথা তানা লাইরিক অসিদা পল্লি। মরম অচুনা খোইবূদা য়ুংলমলিবা হুং অসিমদি খৃঃ ৬কী অচুবাইদা য়ুংলম্বনি হায়বসি খাজনিংঙাইনি। লোইননা মতম অচুদা খোইবূ

পরি অর্সি মথক্তা পনথিবা খৈত্তিস্তুসি গী য়াম্না মরু ওইবা। লাইকম্নি হান্নকনি কাইহনি। চুং অসিদা হয়মনিবা অয়েংহিবা থাহেন্সিনা মক্কম অহুমা য়ু লেমনাবু য়াম্না ফজবা ফিজনবা হায়বসিগী কোংদৌকই।

খুরেক অনিশুবা

খুরেক অনিশুবা তোসিংগী ঘোইবু মরিং খুজকলা য়ু পীখ্নি। মসি ক্যাবা মহারাজনা সমাইহান্নকা খুংশবনি হায়না থাজনে। চুং অসি ফুট ৩ ইঞ্চি ২ বাংই, ফুট ২, ইঞ্চি ৮ পাকই অমসুং ইঞ্চি ৩ থাই। চুং অসিদা মথাগী বাম্ভোরশিংসি মৈতৈ ময়েক অরিবদা হক্তমই। মখুদি :

পঙ্গেং ১বা শ্রী লাইনিংথৌ। কিয়ামবাগি য়াথংনে।
২সুবা মথংসোই লইতেমবা। লাইরেমগি।
৩সুবা স্নরংনে। বরাকোন্থৌবনা কোনললবা লাইনে।
৪সুবা মথংসোইনা লইশেম্লময়ে। লুং-থাং থারময়ে।
৫সুবা সেনপুং সেয়য়ে। লাই অহুমমা তিনরা থেননে।
৬সুবা ঘোইবু পনতী নোংপোক থোংলেন ঙাকুবানে।
৭সুবা মথংসোনমা। লুমাং সমচিন্ ছালাই য়েনলামংয়ে।
৮সুবা ঘোইবু মারিং পনতা সালাই য়েনবা পিবানে।
৯সুবা ব কম লাইমা। মিকন মিকুন জোপা য়াঙে।
১০সুবা কিয়ামবানা লাংলামবা লাইনে।

\+ থাওথৈমা চহু হারখাতি ময়েংবম নিংথৌজা হায়বনি। মথক্তা মৈতৈ ময়েকতা থাওৈ ইঙ্গিবসি থাওথৈমাকী খনথিনা থাইহেনি !

— হাইবৈবু মৈতৈলোন অরিবাগা য়ু লেখাবু থংদৈব। Pandit N. Khelchandra গী মণিপুরি টু মণিপুরি এণ্ড ইংলিস লেক্সিকনারি লমায় ৩০৩ অমসুং ৮২৫।

ক্যম্বা মহারাজনা মৈত্রেবাক্তা. খৃ. ১৪৬৭. [illegible] খৃ. ১৫০৮ কাওবা পানখি। মহাক্কী মতমদা, মনুষ্য উবা রোন [illegible] লোনকত্র খোইবু লাইগী থুডম অসি হেয়া [illegible] [illegible] [illegible]। ১১ [illegible] অসিবু নিংশিংনবগীদমক্তা খোইবুগী [illegible] [illegible], [illegible] মীশিংনা থাজনে। [illegible] অসিনা, খোইবুগী [illegible] [illegible] অসি ১৫ শুবা থৃডাকডা মুংলম্বা হুওনি হাকুসি [illegible]। [illegible] খোইবু পন অসি মৈত্রবাকী মক [illegible] লোংপোক খোং অমনি হায়-নস্থ মথা ভানা কোংলোক্লি। [illegible] অসিগী [illegible] [illegible] হরিবা মরৈ মরৈ রোনুশিলবা [illegible] অসি [illegible] [illegible] মরিং [illegible] তোনচেপ [illegible] হাকহুনি [illegible] [illegible]।

খুয়েক [illegible] ([illegible])

খুয়েক [illegible] [illegible] অসিহ খোইবু মরিং [illegible] [illegible]। [illegible] অসি কুট ৩ ইঞ্চি ২ [illegible], ইঞ্চি ১ [illegible] [illegible] ইঞ্চি ৫ [illegible]। মসিদা মথাগী বাকোনশিংসি [illegible]। [illegible] মৈতে [illegible] [illegible]।

পরেং ১বা লাইনিংথৌ কিয়ামপাগি।

২সুবা য়াথংনে। চিংথৌ থাকেমবাগি।

৩সুবা য়াথংনে। খোইবু পনতী লাই।

৪সুবা সঙবানে। সমকা নাইকা মিকা।

৫সুবা মিপুন ও তোকারোইএ। চিংথৌ।

৬সুবা পাইথোমবানা হুও মুংলমমে।

৭সুবা উয়ুং থারমমে। য়িমনাম।

৮সুবা ওয়াগা কুক থীঅকোনা।

৯সুবা লংলমমে। লাইনিংথৌ মারাং ।

১০সুবা ওমবাকি য়াথংনে। থোইবু। ৲

১১সুবা মরিং পনতী লই সেমবানে।

১২সুবা ৲ অয়েবা অপুনবা অকাবা ও

১৩সুবা ভৌকারোইএ। চোইনা পানা থা।

১৪সুবা বক্ সোক্কারোইয়ে।

১৫সুবা সুরুজুং কিয়মবানা লং

১৬সুবা লমবা লাইনৈ ।

ক্যাম্বা মহারাজনা মপা-মপুনা লাংলম্বা লাইবু মাগী মতমদা হেয়া খুভম চেংহলবগুয়া মবুথৌ ক্যাম্বা অমসুং থাকেম্বানা লাওথোকলম্বা য়াথংবু মৈদিংগু পাইথোম্বানা মুগুদা ময়েক তাহলহনা থোইবুদা মুংলম্বী হায়বসি মুগুসিদগী থংবা ওমই। পাইখোম্বা মহারাজনা মণিপুরদা খৃঃ ১৬৬৫ দগী ১৬৯৭ ফাওবা পানখি। মরম অদুনা মুগু অসি ১৭শুবা খৃতাকতা মুংলম্বা ওইগনি। থোইবুগী মুগুশিং অসি লাইনিং লম্বীগা মরি লৈননা মুংলম্বা মথলগী মুগুশিংনি।

কোনথৌজম লাইরেম্বীগী মসাইগোন্দ মুংশিবা মুগু অসি চয়াইরোংবা মহারাজগী মতমদা মুংলম্বা মুগুনি মসিগী অসম্বা বারোলদি কোনথৌজম লাইরেম্বীদা চয়াইরোংবা মহারাজনা লম কংলম্বগী মরমদনি। অদুবু মুগু অসিদা শক থারমদবনা অদুগা অমরোমদা মণিপুরদা পানখিবা চয়াইরোংবা অনিসুবনা মুগু অসিগী অককৃনবা শোক



Fig 4

ক'মু' অমনবগী নোংচেপ থংবদা কংবা মুং




Fig. 5a

বোবে পুনদা থুংন্বা ফুং

লৈশা ওমত্রে। শোক অসি অনি থোক্না থম্নবা য়াই। অমনা খৃঃ ১৪৬২ দগী ১৪৬৭ ফাওবা পাল্লম্বা মৈতৈ নিংথৌ ক্যাম্ববু পোকপা নিংথৌখোম্বাবুসু ভুবি চরাইরোংবা কৌই।[১] নিংথৌ অসি মনিপুর ইতিহাসতা মমিং চৎখীবী মহারাণী লিথোইঙম্বীবু লৌরম্বা নিংথৌ অমুনি। মহাক খৃঃ ১৪৩২ দগী ১৪৬৭ ফাওবা পানখি। নিংথৌ অসিগী হাক্তক্তা য়ুংথিবনী হায়না থম্নগনা মুং অসি খৃঃ ১৫ গী ময়াই চনলকপদা য়ুংখিরমি। অমুগা অতোপ্পা চরাইরোংবা নিংথৌ অমসুং মৈত্রবাক্তা খৃঃ ১৬৯৭ তগী ১৭০৯ ফাওবা পানখি। মহাক মৈদিংঙু গরীবনিবাজবু পোকপনি। অকোনবগী চরাইরোংবা নিংথৌ অসিগী মনা হাক্তক্তনি হায়না থম্নগনা খৃঃ ১৭ কী অমুরাইদা য়ুংলম্বমি। খ্ৰেক ৪ (কোমুং অমবগী নোংচুপ থোংদা ফংবা মুং)

খৃঃ ১৯৭১ গী নবেম্বর থাদা কোমুং অমনবগী থাজপাৎসি ইনৌ নৌনা তোথোকখি। কোমুং অমনবগী নোংচুপ থোং, হৌজিক্তা মরিম্বা আসাম রাইফলসকী মরু ওইবা চংফম ওইরিবা মফমসিগি য়েংওইননা মুং অসি থেংনখি। মুং অসি ফুট ২গী মখাদা লৈরমী। মুং অসি ফুট ৬ ইঞ্চি ৪ রাংই, ফুট ৩ ইঞ্চি ১০ পাকই অমসুং লাপ্পা য়েংবদা থম্বাল অপোম্বা মাল্লি। মুং অসিগী মশাদসু মথং মথং নাইনা কাখল্ অহুমথক্ হুক্লি; কাখলশিংসিদা মৈতৈ ময়েক অমিবনা য়াহৈ কয়া মরুম ইগি। ময়াইথংবা শরুক্তন হুমুম্নমনা চিং কুকতুদা

১। মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বা কোদরিঠৈদি থোইমোম লাইরিকংবা চরাইরোংবা-ও থৈনা কৌবে— নিংথৌখোম্বী অথুবা লাইরিক ২১৮৭

হকহল্লম্বনো হায়বনচিংবা হকলি। ৫ b গী মুংপাকসি ফুট ৪ গা ইঞ্চি ২ শাংই, ফুট ১ গা ইঞ্চি ১০ পাকই অমসুং ইঞ্চি ২½ থাই। মুংপাক অসিদা মথাগী ৱাহৈশিংসি হকলম্মী মতুদি—

"শ্রিলষমনজিকি পদচিনহ চৌরজিৎ সিংহ মহারাজার খ্যহিচেরি, শকাব্দ ১৭৩৫ তারিক ২৬ ফালগুনষা ৹"

মথক্কী ৱাহৈশিং অসি আসামী অমসুং বেঙ্গলী ময়েকনি। মসিগী অসম্বা ৱারোলদি খৃঃ ১৮১৩ (শোক ১৭৩৫) গী মার্চকী (ফালগুন) তাং ২৬ তা শ্রি লষমনজি চৌরজিৎ সিংহ মহারাজগী খোঙ্গুল হকহল্লম্মী হায়বনি। মরম অসিনা মুং অসি মথক্কী শক তারিক অসিৱাইদা য়ুংলম্বনি হায়বসি চুমলে। নুং ময়েক্ অসিদগী ঐখোয়না চৌরজিৎ মহারাজগী মিং অমা লষমন কৌই হায়বসিসু খংবা ঙমই।

লৈবাক অমদা নিংথৌগী খোঙ্গুল হক্কুনা থনম্বা হায়বসি লৈবাক অতু নিংথৌ অতুগী মথা পোল্লে হায়বনি। অতুনা নোনেগী নুং অসি লানঙম ৱারোল ফোংদোকপা নুংগী মখলনি। অসিগুম্বা মখলগী নুংশিং অসি মথাগী লমশিংসিদা হৌজিকসু লৈরি।

১। টিপাইমুকতা (পামহৈবগী খোঙ্গুল হকপা)*
২। ৱাংজিংদা (চন্দ্রকির্ত্তিগী ,, ,,)*
৩। নিঙেলদা (,, ,, ,,)■
৪। ভুবন চীংদা (দেবেন্দ্রগী ,, ,,)*

---

* মনিপুর আর্টকী ৱারী-শিংবুব অহমম্বা শরুক— লামায় ২০।
■ চৈথারোল কুম্বাবা— লামায় ৪০২।

পুবগী শক্তম অমা য়েক্লি। মৈতৈময়েকশিং অসি পাবদা ৱানা থোক্লে অদুবু আখাম মাধবরাম হাইবা ৱাহৈসিদি হৌজিকসু পাবা য়ারি। মথক্তা ফংলিবা ৱাহৈসিংদগী মুং অসি মৈদিংঙু ভৈগচন্দ্রগী সনা হাক্তক্তা য়ুংখিবা মুংনি হায়না থাজনরি। আখাম মাধবরাম হায়বা মুপা অসি ভৈগচন্দ্রগী মহারাণী আখাম চমুবু পোকপা মপা-ইবুংঙোনি। মৈদিংঙু ভৈগচন্দ্রনা মনিপুরদা খৃঃ ১৮ দা পানখি। মরমসিনা কোন্নুং অমনবগী মুং অসি খৃঃ ১৮ দা য়ুংলম্বা ওইগনি। হনুমানগী মুর্ত্তি অসিনা মুং অসি রামান্দী ধর্ম্ম শন্দোরকপগা মরি লৈনৈ হায়বসিসু তাকই। অদুগা অমুকসু মৈতৈ ময়েক অসিনা অরিবা চংনবী মাংহন্দনা লৈরি হায়বসিসু ফোংদোকই। মরম ময়ামশিং অসিদগী মুং অসি খৃঃ ১৮ গী হৌগৎলকপদা রামান্দি ধর্ম্ম চংলকপগা লোইননা মনিপুর ইতিহাসতা পুরকখীবা অহোংবা তাক্কক অদু নিংশিংহন্নবা য়ুংখিব্রা হায়নসু চিংনরি। মুং অসি মনিপুর ষ্টেট মিউজিয়মনা ইং ১৯৭১ গী নবেম্বর তাং ১১ দা লৌশিনব্রে। হৌ-জিক ময়ামনা য়েংবদা খুদোং চাননবা উৎতুনা থমলি।

খুয়েক ৫ a,b (নোনে খুলদা য়ুংলম্বা মুংশিং)

মথক্কী মুংশিং অসি নোনে খুলদা লৈরম্বনি। খুয়েক ৫ a গী নুং অসি শাংবনা ফুট ৩ অদুগা থাবনা ইঞ্চি ৫ নি, পাকপনা ফুট ২গা ইঞ্চি ৫নি অদুগা থাবনা ইঞ্চি ৫নি। নুংপাক অসিগী ময়াইদা ফুট ১গা ইঞ্চি ৭ শাংবা, ইঞ্চি ৭ পাকপা থোঙ্গুল অনিথক লৈ। অতোপ্পা মুংপাক অসিদনা থোঙ্গুল অসি কনাগীনো, করম্বা মতমদা

৫। অখুই চীংদা (চিংথংখোম্বগী খোঙ্গুল হকপা)*
৬। তুয়াই-তুরেল তোর্ব্বান্দা (চন্দ্রকির্ত্তিগী খোঙ্গুল হকপা)■
৭। জুনাল তুরেল তোর্ব্বান্দা (পামহৈবগী " ")*
৮। থিপুমৈ খুলদা (গম্ভীরসিংহগী খোঙ্গ্ূল হকপা)

গম্ভীরসিংহগী সনা খোঙ্গ্ূল হকপা ন্ূং অসি হৌজিক্তি নাগালেন্দ মিউজিয়মদা চেকশিন্না থমগ্রে। মসিগী ফোটো পণ্ডিত শ্রীনিংথৌ-খোংজম খেলচন্দ্র সিংহগী মনিপুরী লেঙ্গোয়জ ষ্টেটস এন্দ ইম্পোর-টেন্সকী লামায় ১৪ দা উবিগনি। ন্ূং অসি গম্ভীরসিংহ মহারাজনা থিপুমৈ খুল ঙমবগী নিংশিংননবা য়ুংলম্বনি। ন্ূং অসিদা অস্নুম্না ইরম্মী মতুদি—

"শ্রীল গোবিন্দম হারাজকিমনা ঈশ্রীমৈত্তি
ঙ্ু চিঙলেন নোংএলখোমবা মহারাজা
শকাব্দ ১৭৫৪ মাঘ ১"

ময়েকশিং অসি বেঙ্গলী ময়েক্তা ইরম্বনি। মহারাজ গম্ভীরসিংহবু চিংলেন নোংত্রেলখোম্বা হায়নস্থ খংনৈ। মহাকনা মনিপুরদা খৃঃ ১৮২৫দগী ১৮৩৪ ফাওবা পানখি। মহাকনা থিপুমৈ খুলদা লান্দাখি অমস্থং ঙমখি থৌদোক অসিবু নিংশিংহন্নবা থিপুমৈগী ঈশিংথোং পুখ্রি মপান্তা শ্রীমহারাজগী খোঙ্গ্ূলগা লোয়ননা নোংশা ১, শনথৌ ২ য়েকহলম্মী।❋ অস্নুম্না নিংথৌশিংনা মখোয় মখোয়না জয়

* মণিপুর আর্টকী বাখি-শিংবুন অহমন্বা শরুক— লামায় ২০।
■ চৈথারোল কুম্বাব'— লামায় ৪০১।
❋ মথকী মাওফম অসিদগী— লামায় ২৩৭।

তৌরম্বা লমশিংবু তুং-কোয়না নিংশিংহৌনবগীদমক্তা মুংপাক্তা খোঙ্গুল হকপা অসি চৎনরকই।

অসিদসু নত্তনা কনাগুম্বা নিংথৌনা লান্দাবা চৎপা মতমদা মক্ষম অসিফাওবা দোলাই, শগোলনা চংবা য়াবা জাগানি হায়ব-নচিংবা তুংদা লাকলিবা খোংবুরোইশিংদা তারুনবা দোলাই, শগোল-নচিংবা য়েক্লমবা অসিসু চৎনরমই। শামুগী মজ্ঞে য়াওদ্রবদি চংবা য়াদবা মক্ষমনি হায়রবা তাকপা শামু হকলম্বা মুংপাকশিং হৌজিকসু স্নাহল লোকচাওরোমদা লৈরি।* অসিগুম্বা মুংশিংসিদা লাইরিক ময়েক ইদে, সিমবলতা ওইনা য়েক্কই।

বাঙ্গোইগী থিয়াম লৈশাংখোংদা য়্যুংলম্বা মুং অসি মারজিৎ মহারাজনা য়্যুংলম্বা মুংনি। মুং অসিগী মথাথংবা শরুক্তা মৈতৈ ময়েকনা মখাগী অস্নুম্না ইরি।

পরেং ১বা শ্রী পঞ্চ জুক্ত মনিপুর পুর
„ ২ সুবা ন্দর ময়াং ঙমপা মহারাজা শ্রী বি
„ ৩ সুবা র চন্দ্র সিংহ মৈতেংঙু নোংপোক্
„ ৪ সুবা রাইরং পাম্হৈপানা সেম্পা ময়াং ঙম্
„ ৫ সুবা পা কৈথেনুনে সক ১৭৪৯ মাক্
„ ৬ সুবা মৈ ২৬ নি থবান্ থাতানে ॥ ০ ॥
লাইরি য়েংপা শুদ্দানন্দ প্রভুওম ২ মা
না ইপা লাইরিকনে!

মৈদিংঙু বীরচন্দ্রা সিংহ হায়বসি ভাগ্যচন্দ্রা মহারাজগী মপা ইবুং-ঙো মারজিৎ সিংহগী মিং অমনি। মহারাজ অসিগী সনা মিংশেল অমদি নোংপোক খাইরেং পামহৈবা হায়নসু কৌই। মারজিৎ মহা-রাজনা মনিপুরদা খৃঃ ১৮১৩ দগী ১৮১৯ ফাওবা পানশি। মারজিৎ মহারাজনা ইংশোক ১৮১৭ তা কাছারগী নিংথৌ গোবিন্দচন্দ্র সিংহগী মথক্তা লান্দাখি অমসুং ঙমখি। কাছারগী (ময়াং লৈপাক্কী) নিং-থৌবু ঙমখি হায়তুনা মহারাজ অসিবু ময়াংঙম্বা মহারাজ হায়না খঙ নখি। চৈথারোল কুম্বাবগী লামায় ২০৯ দা অসুমনা ইরি—

"লাইশ্রম তাম্রসিংহগী কুম শোক ১৭৩৯ মেরা থা ২৬ নি শগোলশেন্দা শ্রীযুৎ মহারাজ নোংপোক খাইরং পামহৈবনচিংবা মৈতৈ লৈবাক পুম্নমক ময়াং নাবা চৎএ। ময়াং ঙমএ। ××× পোইন্‌সু থা ২৪ নি ইরাইদা শ্রীযুৎ নোংপোক খাইরং পামহৈবা ময়াং নারুপা থুংলৈএ।"

মারজিৎ মহারাজনা ময়া·দা লান্দারুবগী খাক্ম অসি মতম অতুগী কাছারগী নিংথৌ গোবিন্দ চন্দ্রনা কলিকতাদা লৈবা মতম অতুগী গোবর্ণর জেনেরেলদা শোক ১৭৩৯ পৌষগী তারিক ১৩ দা চিঠি ইতুনা খংহনখি। চিঠি অসি ডাক্তর সুরেন্দ্রনাথ সেন্না ইদিত তৌবা কলিকতা বিশ্ববিদ্যালয়না ১৯৪২ ইংদা ফোংখিবা বঙ্গলা পত্র সঙ্কলগী ডোকুমেণ্ট নম্বর ১৬১দা ইরি। মতুগী ইংলিসতা হন্দোকপা খারোলসু চেক্তেং অতুদা য়াওই। মতুদি মথাগী অসুমনা ইরি—

161. From Govinda Chandra Professes his entire dependence upon the East India Company, states that Marjit Singh of Manipur with the help of the Burmese has occupied nearly the whole of Cachar. Intimates his inability to regain his kingdom without British help. Dated 13 Paush, 1739 Saka. (Received 6 Jan 1818).

মহারাজ মারজিৎন কাছার (ময়াং লৈবাক) মক্মে হায়বসি মথক্তা কাছারগী নিংথৌনা বৃটিসতা ইবা চিঠিসিনস্থ তাকলে। মারজিৎ মহারাজনা কাছারদা ময়াং ঙম্মুরবা মতুংদা মহাকনা লৈশাংখোং (বাঙ্গোইদা) থৌদোক অহু নিংশিংনবা ময়াং ঙম্বা কৈথেল হোঙবদা মথক্কী মুং অসি য়ুংখি। হৌজিক ফাওবা মুং অসি মফম অহুদা অহুম লৈরি। মুং অসিগী ফোটো পণ্ডিত খেলচন্দ্রগী মনিপুরী লেঙ্গুয়েজ ষ্টেটস এণ্ড ইম্পোরটেন্সকী লামায় ৫৯ দা উবিগনি। অসিগুম্বা কৈথেল সঙ্গাবদা য়ুংখিবা মুং অসি ককচিং খুনৌ বাজারদস্থ হৌজিক হৌজিক য়ুংলি।

মরিস্থবা আসাম রাইফলসকী কমান্দেন্তকী ইংখোলদা য়ুংলিবা মুং অসি 'ফুট ২ ইঞ্চি ২ বাংই। মুং অসি বিরচন্দ্রা মহারাজনা শ্রীগোবিন্দাজিদা কৎপা মন্দির অমদি কোন্নুংবু কোইশিল্লিবা চেকপলগী মরমদা ইরি। ময়েকতি বেঙ্গলী ময়েকনি। মুং অসিদগী শ্রীগোবিন্দাজীগী মন্দির অসি মারজিৎ মহারাজনা পানবা মতম, লিকমাবা শ্রীভারা সিংহনা চৈথাবা কুম শোক ১৭৩৭ কী বাকচিংদা শাবনি হায়বসি থংবা ঙমই।

মুং অসি কোম্লুংগী অকোইবদা অচৌবা চেকপল অমা শাথি হাম্লবসি নিংশিংনবগী মুংথিবনি। মারজিৎ মহারাজনা চেকপল অসি কোম্লুংবু ফজহনবতা নত্তনা য়েকনববু ঙাকথোকনবগীদমক্তসু থম্দুনা শাথিবনি।

মতৌ অসুম্না মুংদা হক্লম্ ইরম্বশিংনা হৌগ্রবা জাতি অমগী ইতিহাসপু মপুং ফানা শেমগৎ-শাগৎপদা মতেং পাংঙনা লাক্লি। সম্না ছায়মবদা মুংদা ইরুম্বা ময়েক অমদি হক্লম্বা থুদমশিং অসি ইতিহাসকী মমল নাইত্রবা মচাকশিংনি। ⊙

আর্কিটেক্কী মিংদা মনিপুরগী মোনুমেণ্টশিং

এল, মঙ্গী সিংহ

সেনিয়ার আর্কিটেক, পিঃ ডব্লিউঃ ডিঃ

পৃথিবীগী ঐতিহাসিক্ মোনুমেণ্ট অয়াম্বা ফুরা, দলান, কোন্নুং, লান্‌বন্, লাইশং, ভিক্তোরি টাৱার, মূর্ত্তি, থোং অসিনচিংবা কয়া ওইনা তৌই। গ্রীককী লাইশং পার্থেনোন্ (Parthenon), রোমগী কোলোশিয়ম্ (Colosseum), আগ্রাগী টাজমহল (Tajmahal), দিল্লীগী কুটব্ মিনার (Qutab-Minar), এলোরাগী কৈলাশ মন্দির, চীনাগী গ্রেট ৱাল্ ওসিদি ঐতিহাসিক্ মোনুমেণ্ট কয়া ওইরবে। মনিপুরদদি হৌজিক হৌজিক লৈরিবা শিংথাবা য়াবা ঐতিহাসিক্ মোনুমেণ্ট মন্দিরগী মাইকৈদনা অয়াম্বনি, অতোপ্পা হায়ববু খাইরম্বন্দ খোং, কোন্নুং অমনবা খরা অসিতা মঙাইরে। মমিং পনবা য়াবা লাইশং খরদি [১] বিষ্ণুপুরদা লৈবা বিষ্ণু মন্দির, [২] গুরু অরিবম্গী শ্রীকৃষ্ণ (মদন মোহন্) মন্দির, [৩] শ্রীহনুমান ঠাকুরগী মন্দির, মন্দির, [৪] শ্রীশ্রীগোবিন্দজিউগী মন্দির, [৫] শ্রীরামচন্দ্র মন্দির, [৬] থাঙ্গাল মেঙ্গুরগী মন্দির, [৭] লৈমপোকপা কৈরুংবগী মন্দির অসিনচিংবা অসিনি। অতুগা হৌজিক্কী কোন্নুংগী শ্নং, ময়াম্বুং ইবুংঙো শ্রীযুৎ রাজাতুম্বগী মন্দির মোনুমেণ্টকী কাংলুপতা শিংথাবা য়ারে।

আর্কিটেক্চর (বস্তু শিল্প কলা) গী মাইকৈদা মোহুমেন্টশিং অসিগী ষ্টাইল (মওং মতৌ শক্তম Order) নৈনবা তারবদি থিজিন্বা বাংচবনা অরুবা অমা ওইনা থোকৈ। চাওরাক্লা ষ্টাইল মথল অনি থোক্লা লৈবগুম তৌই। অমত্তা ওইবা Dc nrenা কুপ্পা মন্দিরগী কাং- লুপ অহুগা ময়ায়দা অচৌবা Dome ১গা মতাইদা পিকথবা মান্নবা Dome (Replicas) মরিগনা কুপ্পা লাইশ গী কাংলুপ অসিনি। Dome গী Style মান্নবা অহানবা কাংলুপকী মন্দিরশিংগী মন্নুংদা মমিং পনবা য়াবদি বিষ্ণুপুরগী শ্রীবিষ্ণু মন্দির, গুরু অরিবমগী শ্রীকৃষ্ণ মন্দির অহুগা মহাবলি হনুমান ঠাকুরগী মন্দির অসিনি। অনি- শুবা কাংলুপকী মন্দিরশিংদি ময়াম্নুং ইবুংঙো শ্রীযুৎ রাজাহুন্‌গী মন্দির, শ্রীবৃনামচন্দ্রগী মন্দির, থাঙ্গাল মেঙ্গরগী মন্দির অসিনি।

মন্দিরশিং অসিগী ষ্টাইল অসি করম্বা প্রদেশ, দেশকী ষ্টাইলগা মান্নবগে হায়না য়াম্না কুপ্পা থিবা অবাবগী মশকনি। ষ্টাইল নত্রগা ওর্ডর পুন্নমক দেশ নত্রগা প্রদেশ অমনা, আর্কিটেক অমনা লোইনা হৌদোকপা নত্তে হায়বসি হায়মন্‌বা থোকলোই। অমনা অমদগী পুনবা ভাকতনি অহুগা মশা মশাগী ওইবা ষ্টাইল (indeginous local elements) থর থরদি হৌদোক্তবা নত্তে। খুদম ওইনা হায়রবদা Trabeated (Lat. trabs=a beam) style of Architecture অসি গ্রীক্লা অহানবনি অহুবু ষ্টাইল অসিগা prin- ciple মান্নবা মুঙ অনি য়ুংথংলগা মুঙ অমা ফৈবা ষ্টাইল অসি ইংলণ্ডগী মুঙগী যুগতা (Stone Henge হায়রবহুদা) অহুম

হোৌদোকনরমলে। পৃথিবীদা চৎনারবা খিলোন্ (Archl) অসি গ্রীকী মপা মপু ওইরম্বা Cret Island দা লৈরম্বা phonecian হায়বা জাতি অমুনা ইহান হান্না হোদোকখিবনি। অমুগা By-zantine শিংনা Dome ইহান হান্না হোদোকখি। ইস্তাম্বুলগী Santa Sophia গী Dome গী ষ্টাইল অসিগুম্বা অসিনা অহানবনি। নোংপোকলোমদা নোংচুপলোমদা অস্থুম অস্থুম শন্দোকখিহুনা হো-জিক্তি লম্ লম্গী ষ্টাইল অমুম লৈখরে। রুসিয়াদা চৎনবা ডোমগী ষ্টাইল অসি তিম্লো মন্ন নম্রগা Maceকী মকোক মানবা Cupola হায়না খঙনৈ। মনিপুরদা চৎনরিবা ডোমগী ষ্টাইল মখল মঙানি। চোংঙা বোনগী তাইপতা মখল অনি [১] মগুং নাইবা শাংতক তৌবা হোজিক হোজিকী কোন্নুংগী ডোম অমুগা [২] খুল্লক্তা লৈবা মন্দিরগী মগুং নিপাল পানবা ডোম [থাংজম বোনগী ডোমগুম্বা] [৩] শ্রীশ্রীগোবিন্দজিউ মন্দিরগী Hemispherical Domes কী মখল, [৪] শ্রীশ্রীজগনাথ ক্ষেত্রগী মওংদা কুপ্পা শ্রীকৈশাম্ মথংগী ডোমগী মখল অমুগা [৫] লম্বোইবগী টুপিগী মওং মানবা শ্রীহনু-মানজি ঠাকুর মন্দিরগী ডোম মখল মঙা অসিনি। হান্না হায়জখিবা অহানবা কাংলুপকী ডোম হায়বদি গুরু অরিবমগী শ্রীমদন মোহনগী মন্দিরগী ডোম অমদি শ্রীহনুমানজি ঠাকুরগী ষ্টাইল অসি হোজিক হোজিক বেষ্ট বেঙ্গলগী মন্দিরশিংদা উবা ফংই।

শ্রীযুৎ ক্যাম্ব মহারাজনা বিষ্ণু মন্দির অমা শান্নমই হায়বসি ময়ান্না খঙনরবনি। বিষ্ণুগী মুওগী মূর্ত্তি অমা মহারাজগী মরুপ পোং নিংথৌ চৌফা খেক্ খোম্বা (Choupha Khek Khomba)

দগী খুদোংচপ ওইনা বংলমলমশু মন্দিরগী ষ্টাইলদি কদাইদগী লৌত্তুষ্মা শাবনো হায়বদি থেংনজদে অদুবু পূজা পাঠ অমদি সেবাগীদমক হায়না লৈরম্লবা বেঙ্গলদগী লাক্পা ব্রাহ্মণশিংগী মরকতগী অমা কৌ- খংখি। মন্দির অসি শাবদা বিষ্ণু লাংপা ব্রাহ্মণশিংগী মত হংলম্বা য়াই হায়বসিসু থাজদবা ওমদে। চেক শাবা অমদি মিস্ত্রীশিংদি নোংপোকক্লোমদগী ওইরমগদবা হায়না খজে। চেকী সাইজদি ১০"×১০"×১½"/২" অসিনি অদুগা Mortar না lime surkhi, চুহি, শগোলহরাইগা য়ায়রগা শেম্মবনি হায়রে। বিষ্ণু মন্দিরদা য়াওরিবা খিলোন অসিগী ষ্টাইল (corbelled arch) অদুগা Bellshapeed docrway তসিদি local elements কী খুদম মাল্লি।

গুরু অরিবমগী শ্রীকৃষ্ণ মন্দির অসি চবাইরোংবা মহারাজনা শাবম্বনি। ডোমগী মথক্তা শিখরা (Spire) লৈরিবসি হিন্দুগী ইনফ্লুয়েন্স মাল্লি। থম্বালগী মথক্তা মঙ্গোল ঘোট অমদি য়ুবীমচিংবা Motif য়াওরি। নীল চক্রনচিংবসু যাওরি। চেকী সাইজ অমদি Mortar গী মওংদি বিষ্ণু মন্দিরগীগা মান্নে। খাগেম্পা মহারাজগী মতমদা খ্বাইরম্বন্দ থোং শাখি অদুগা খৃঃ ১৮৯১ দা বৃটিশনা থুগাইখিবা চেকী ফুট ১৮ রাংবা কংলা শা ২ অদুসু খাগেম্বা মহারাজনা শাখি।

গরিবনিবাজ মহারাজগী মতমদা শ্রীহনুমানজি ঠাকুরগী মন্দির শাখি। অদুগা অনিশুবা মথলগী মন্দিরগী ষ্টাইল (based on for pearls) অসি হিন্দুগী pattern দা শা'নি, লোকেল ইলি- মেণ্টসতি অদুম ময়াওই খুদমদি লুপা লৈরোং, গুলা চংপা, মিংশেল মথুম (niche), এনশিল মনাগী Jali, Ornamental Baluster গী parapet অসিমচিংবা অসনি। তাইপিকেল মন্দিরশিংগী sketches পিজরি।

মণিপুরগী অরিবা ফুরাশিং

(ইতিহাসকী মিৎয়েংদা)

রাজকুমার শ্রীস্নাহল সিংহ

মণিপুরদা লৈরিবা অরিবা ফুরাশিংগী মনুংদা বিষ্ণুপুরদা লৈরিবা ক্যাম্বা মহারাজ স্না হাকথকী বিষ্ণুগী ফুরা অসিনা খ্বাইদগী অরিবনি। বিষ্ণুপুরবু মমাংঙৈদা লমলাংদোং কৌরমই। মসিদগী থরা থরা থৈথ-রক্তুনা মমৈদদি লম্মাংদোং হায়না খঙনখি, হৌজিকফাওবসু বিষ্ণু-পুরবু লম্মাংদোং হায়না খঙনরি। মফম অসিদা ক্যাম্বা মহারাজগী কোম্মু ওইরমই অমসুং বিষ্ণু লাৎলমই। বিষ্ণু লাৎখি হায়রুনা মফম অসিবু "বিষ্ণুপুর" হায়না খঙনখি। মৈদিংঙু ক্যাম্বনা খৃষ্টাব্দ ১৪৬৭তগী ১৫০৮ ফাওবা চহী ৪১ মণিপুরদা নিংথৌ ওইরুনা পাল্লমই। নিংথৌরেন অসিগী স্না হাকথক্তা মৈতৈনা বিষ্ণু নিংবা হৌখি অমসুং বৈষ্ণব ধর্ম্মগী লংলা-লংজিন ফংখিবনি।

বিষ্ণুপুরদা হৌজিক হৌজিকমক লৈরিবা অরিবা ফুরা অসিদা মৈদিংঙু ক্যাম্বনা বিষ্ণু লাৎলমই। হায়রিবা বিষ্ণু অসি ব্রহ্মদেশকী পোং নিংথৌ কিথোম্বনা মৈদিংঙু ক্যাম্বদা মরুপ শান্নবগী খুদোন পোৎ ওইনা পিরম্বনি। হায়রিবা বিষ্ণু অসিবু ফুরাদা লেংশিন্দুনা ভানু-নারায়ণ কৌবা ব্রাহ্মণবু পূজা তৌহল্লমই। ফুরা লাই লাৎলি হায়রুনা মহাক্কী শাগৈবু ফুরালাইলাৎপম হায়না খঙনখি। মতম অসিদা পোংনচিংবা অবাং ব্রহ্মাদা বিষ্ণু লাৎলমই।

বিষ্ণুগী ফুরা অসি লম্বাংদোং খোংজাউয়োকী মখা থংবদা চীং-য়াদা লৈবা ক্যাম্বা কোন্নুংগী অবাংথংবদা লৈরি। ফুরা অসিগী মরাকময়ুং লম ২×২ রোমতা চাউই বাংবনা লম মঙারোম বাংই। মথক্তা নাপী-শিংবী হৌজিল্লে।

মণিপুর ষ্টেট দরবারগী প্রেসিডেণ্ট সাহেব বাহাদুরনা তাং ১১।৮।১৯৩৪ ইংদা বিষ্ণুগী ফুরা অমনবা লৈরিবা ইংখোলগী নপু শিঙ্গাম চাওবা সিংহদা খঙহল্লমই মহুদি মহাক্কী ইংখোলদা লৈরিবা ফুরা অমনবা অহু মণিপুরষ্টেট রাজ সরকারগী মরননি, মহু থুদেকপা নত্রগা মহুদগী চেকতুম অমত্তা ফাওবা লৌখোকপা তৌফরোই। বিষ্ণুপুরদা লৈরিবা ফুরা অসিবু মিনিষ্ট্রি অফ ইডুকেশন (আর্কিও-লোজি) না ১৯৫২ ইংগী নবেম্বরগী তাং ৪ দা *S.R.O. 1843* দা সেন্ট্রেল গবর্ণমেন্টনা সিডিউলদা পিরিবা লমদা লৈরিবা মণিপুর ষ্টেটকী বিষ্ণুপুরদা লৈরিবা ফুরা অসি *Ancient Monuments* ***Preservation Act 1904 (VII of 1904)*** গী মখাদা ঙাক শেল্লবনি হায়না লাওথোকখি। অসুম্না লাওথোকখিবা বিষ্ণুগী ফুরা লৈরিবা লম অসি বিষ্ণুপুর তহশীলগী সার্কল নং ৪গী মতুং চনবা সর্ভে প্লট নং ১১৪৮ নি, এরিয়ানা ৬০৬ নি। লম অসিগী মপুনা (১) বিষ্ণুপুর খাদা লৈবা নিংথৌজম অশংবী সিংহগী মুপী লাইশ্রম নিংঙোল নিংথৌজম ওংবী রজনী দেবী অমসুং (২) বিষ্ণু-পুর খাগী ৺মধুর সিংহগী মচানিপা লাইশ্রম ইরাবত সিংহনি। ইংখোল অসিগী অবাংদা প্লট নং ১১৪৯ থোং লম্বীনি। খাদা প্লট

নং ১১৪৭ মিংতোম্বম মঙ্গল দেবীগী লম, নোংপোক্তা প্লট নং ১১৫৬ খোংলম্বী, প্লট নং ১৪০৭ ফামজৌবম পাকা সিংহগী লম লৈ; নোং-চুপ্তা প্লট নং ১২৯০ লাইশ্রম মধু সিংহগী লম, প্লট নং ১১৪৫ নোং-মাইথেম য়াইমা সিংহগী লম অমসু প্লট নং ১১৪৬ লাইশ্রম থম্বৌমচা সিংহগী লমনি। হায়বিবা কেন্দ্র সরকারনা ভাক-শেনবগী হুকুম অসি ১৯৫২ ইংগী নবেম্বরগী তাং ৮গী গেজেট অফ ইণ্ডিয়াদা ফোঙ-ব্রবনি। মণিপুর সরকারনসু সেক্রেটরিয়েত রেভিন্যু ডিপার্টমেণ্টকী ১৯৫৭ ইংগী ডিসেম্বর তাং ৬তা থোকখিবা অর্ডার নং *R/7/52/266* শুবদা বিষ্ণুপুরদা লৈরিবা ফুরা অসিগী লম চাওরাক্পা বিঘা ১ কাবা ৪ লেছা ২ চাউবা অরাংদা থুলগী খোংলম্বী, থাদা মঙ্গল দেবীগী ইংখোল, নোংপোক্তা থুলগী খোংলম্বী অমসুং নোংচুপ্তা এন্ অমুয়াইমা সিংহ অমসুং এন্ অমুসনা সিংহগী ইংখোল— লম অসি বিষ্ণুগী ফুরা ভাক শেন্দুনা থম্নবগীদমক্তা ***Land Acquisition Act, 1894 (Act I of 1894)*** গী ***Section 6*** কী মথাদা ***Pu-b'ic purpose*** গীদমক্তা সরকারনা লৌশিল্লগনি হায়না লাউ-থোক্লমই।

ফুরা অসি খৃষ্টাব্দ ১৫০৭ দা মৈদিংঙু ক্যাম্বা সনা হাকথক্তা শাখিবনি। বিষ্ণু লেংশিন্দ্রিঙৈদা ফুরা অসিবু "ভাঙোম ফুরা" কৌরমই। "ভাঙোম ফুরা" কৌবা পূয়াদা মতাং অসি অস্মা ইরি—

"মৈতেঙঙু কিয়াম্ব হাকথক্ত ভাংঙোম চিঙ্শোম্বগী লম লম্মাংদোংদ লাইদা ফুরা অমা কংলি। মৈতেঙঙু কিয়াম্বগী য়াথংনা লাই লেঙ্শিল্লম্ই।"

বিষ্ণুপুরগী বিষ্ণুগী ফুরা অসিনা ঐখোয়না থঙবগী মন্নুংদা খ্বাইদগী লিরবা ফুরানি। ফুরা অসি মরাক ময়ুং মান্নবা চেক্কী ফুরানি। মখোল অনি লোংই। ফুবা অসিগী মন্নুং মরাক অমস্তুং ময়ুং ফুট ৬´ ইঞ্চি ৮´´ নি। ফুরাগী চেকশিং অসি লৈখোয়া চনবনি। অদুবু চহি ৫০০ রোম শুরবা ফুরা অসি ইফ-ফনা লৈরি— তৌবদদি ফুরা অসিগী অবাং থংবা মখাগী শরুক অসি অরাংলোমদা খরা ঙামথরে অদুগা মথক্কী শরুক অদুনা নোংপোকলোমদা খরা ঙামথরে।

মাখো সরূপ ভাটস্ কৌবা অহৈবা নিপা অমনা চহি কুম্ন্যা-রোমগী মমাংদা ফোঙখিবা মহাক্কী *"The Temple of Visnu at Bishenpur and later Temples of Manipur"* কৌবা লাইরিকতা ইরি মদুদি মণিপুর হায়বা লৈবাক অসিনা লৈবাক অমগা লৈবাক অমগা ফাওদোক-ফাওজিন তৌনবগী মরু ওইবা কং-ফালগী লম্বী ওইরম্বা মরম্না জাতি কয়ামরুমগী তিন্নফম অমস্তুং তোপ তোপ্পা সংস্কৃতিশিংগীসু পুনফম ওইবা মরমনা বিষ্ণুপুরদা অসি গুম্বা মখলগী ফুরা শাখির্বনি। ফুরা অসি শাবগী মওংদি নোং কল্লা তাবা অসিনা নোংগী ইশিং পন্দনবা শাবগী মওংনি অদুগা খুংশা হৈবগী মায়কৈদগী য়েংলগনা ভারত অমস্তুং খা-নোংপোক এশিয়াগী থোই-দোক্লসু জাভাগী চণ্ডি কৌবা ফুরাগী মওং-মতৌগা মরী লৈনবা য়াই হায়না মখাগী অস্তুম্না মহাক্কী মত পিরি—

"Structurally, it is suited to quick drainage of heavy rainfall and architecturally it seems to

form a link between the Indian and Further Indian types of temples and in particular the temples of Java called *Chandis*. Certain features of comparision present in the Bishenpur temple and the Chandis of Java are worth nothing here. For instance they are —

1. Two storeyed brick stuctures with a narrow porch as in Chandi *Punta Deva of the 7th century A.D.*

2. Narrow porch with corbelled arch in Borobudur of the 8th century A.D.

3. Ventilation holes as in Chandi *Pawon of the 9th century A.D.*

মথংদা লৈজরে— মৈদিঙু চরাইরোংবনা শারম্বা ব্রহ্মপুর গুরু অরিবম লৈকাইদা লৈরিবা শ্রীকৃষ্ণগী চেক্লী ফুরা।

মৈদিংঙু চরাইরোংবা (খৃঃ ১৬৯৭-১৭০৯) না পানবা মতমদা কৃষ্ণচার্য্যস্থ কৌবা রাই বনমালিস্থ কৌবা ব্রাহ্মণ অমা শ্বেত গঙ্গা পুরীদগী মণিপুরদা থোরকখি। চরাইরোংবা নিংথৌ ১৭০৪ ইংগী শজিবুগী মঙানি পানবাদা হায়রিবা ব্রাহ্মণ অসিদগী বৈষ্ণব ধর্ম্মদা লাইনিং লৌখি। চরাইরোংবা নিংথৌগী গুরু ওইখিবদগী গুরু অসিগী শাগৈবু "গুরু অরিবম" হায়না খঙনখি। গুরু অসিদগী ইংশোলদা চরাইরোংবা নিংথৌনা

শ্রীকৃষ্ণ লৈওশিন্নবা ফুরা অসি শাখিবনি। ফুরা অসিগী পাক চাউবা বর্গ মিটর ৬·২ × ১০·৫ নি। ফুরা লৈরিবা ব্রহ্মপুর অসিদা অসি-গুম্বা ফুরা অমত্তু লৈদ্রি।

মথংদা লৈজরে হনুমান ঠাকুরগী ফুরা— ফুরা অসি মহাবলীগী উমংদা লৈ। গরীবনিবাজ ১৭০৯ ইংদগী ১৭৪৮ ইং ফাওবা মণি-পুরদা নিংথৌ ওইদুনা পাল্লমই। নিংথৌ অসিনা রামান্দী ধর্ম্ম লৌখি-বদগী রামান্দী ধর্ম্মনা লৈবাক্কী ধর্ম্ম ওইখি। মহারাজ অসিনা হনুমান ঠাকুরগী মন্দিরসি ১৭২৫ইংদা শাখিবনি। ফুরা অসি মমায় মখা ওল্লি।

মথংদা লৈজরে নিংথেম ভদ্রসিংগী মোংফমদা শাবা ফুরা ফুরা অসি সেসন্স কোর্টকী কমপাউণ্ড মন্নুংদা হৌজিকসু লৈরি। ভদ্রসিংবু নোংচুপ লমগাইওম্বা হায়নসু খঙনৈ, নিংথেম খাবা হায়নসু খঙনৈ। ভদ্রসিং ১৮২৪ ইংদা মণিপুরদা নিংথৌ ওইদুনা পাল্লমই। মহারাজ অসিনা নোঙ্গাখিবা অসি চৈথারোল কুম্বাবদা অস্তুম্না ইরি "থিয়াম আনন্দ্রাসগী কুম শোক ১৭৫১ + + ইঙেন থাতি ইরাইনা হনএ + + ২৬নি য়ুমশকৈশদা শ্রীনোংচুপ লমকাই ঙমপা চহী ৭৬তা লোংকোইএ।" ফুরা অসি চাওরাক্লা চহী ১৫২ রোম গুরে। ফুরা অসিগী পাক চাওবদি বর্গ মিটর ২ ৭+২·৫৫নি।

মথংদা লৈজরে মহারাজ গম্ভীরসিংহ চিংলেন নো ত্রেন খোম্বাগী মোংফমদা শাবা ফুরা— ফুরা অসি লাংথবালদা হৌজিকসু লৈরি। মহারাজ গম্ভীরসিংহ লাংথবালদা ১৮২৫ ইংদগী ১৮৩৪ ইং ফাওবা নিংথৌ ওইদুনা পাল্লমই। মহারাজ অসি ১৮৩৪ ইংগী জানুয়ারী

থাগী তাং ৯দা লাংথবাল কোন্থংদা লোঙ্গাখি ।. পোৎলোইখিবা মফম অদুদা শাখিবনি ফুরা অসি । ফুরা অসিগী পাক চাওবা বর্গ মিটর ২'২৫ X ২'৮০ নি ।

মথংদা লৈজরে— সনামহীগী ফুরা । ফুরা অসি হৌজিক ফাওবা অহানবা মণিপুরগী রাইফলসগী কম্পাউণ্ড মফুংদা লৈরি । ফুরা অসি সনামহী অমসুং লৈমরেন লাৎনবগীদমক মহারাজ নরসিংহ (১৮৪৪ ইং—১৮৫০ ইং) না ইংকুমজা ১৮৪৪ ইংদা শাবস্থনি হায়না ক্না কনাগুম্বনা হায়নবা য়াওই । অদুবু রাইথা দেবসিংহনা চৈথাবা কুম শকাব্দ ১৮০৫গী রাকচিংগী ২১ নি ইরাইদা সনামহী ফুরা হৌএ হায়না চৈথারোল কুম্বাবদা ইরি । ফুরা অসিগী অকোয়বা অসি মিটর ৩৭'৯১ নি ।

মথংদা লৈজরে কোন্থং অমনবা কংলা হায়না খঙনরিবা মফম অসিদা লৈরিবা শ্রীগোবিন্দগী অমনবা মন্দির বৈথপগী অতেক অকায়-শিং অমসুং যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎকী বৃন্দাবনচন্দ্রগী মন্দির ।

শ্রীযুক্ত গম্ভীরসিংহ চীংলেন নোংড্রেনখোম্বা মহারাজনা শ্রীগো-বিন্দদা ফুরা কৎকে হায়না তৌরম্বা অদু মনাও ইবুংঙো নরসিংহনা শকাব্দ ১৭৬৭ রাকচিংগী ১৯নি পানবা ইরাই হুমিৎকী নোংঙাল্লমদাই য়ুথক মতুং পুং ৬ তাখিবা ৭কী মথং ঈশিংগী পুংদা (বরুণদণ্ডদা) যাত্রা হল্লগা কুম অসিগী হায়বদি ১৮৪৬ ইংগী মার্চগী তাং ৭ থাংজ হুমিৎতা আদ্রা নক্ষত্রনা পানবদা ফুরা লাইয়ুম শঙ্গাখি । হায়রিবা ফুরা অসি চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজ সনা হাকথক্তা ১৮৬৮ ইংগী মার্চগী

তাং ১ নোংমাইজিং হুমিংতা শ্রীগোবিন্দগী মন্দির অসি মুহায়াবদা কিন্থখি। শ্রীরাধা গোবিন্দ অনিসু মন্দির কিন্থবা অসিদা সনা হুকচাং শোকখি। মোইরাং চৈতন্যানা চৈথাবা কুম শকাব্দ ১৭৯১ ইঙা থাগী ২২ নি পানবা শগোলশেন (১৮৬৯ ইংগী জুনগী তাং ৩০) মুমিংতা হৌজিক হৌজিকমক কংলাদা লৈরিবা শ্রীগোবিন্দগী অমনবা মন্দির অসিগী যাত্রা হুনখি অমসুং চহী অসিগী জুলাইগী তাং ১০ থাংজা মুমিংতা শঙ্গাখি। বৃটিসশনা মণিপুর লৌশিল্লবা মতুংদা ১৮৯৭ ইংগী নম্বেরগী তাং ১৫ নিংথৌকাবা মুমিংতা শ্রীগোবিন্দগী মন্দিরগী সনা-লুপা শিদোকখি।

কংলাদা লৈরিবা শ্রীগোবিন্দগী মন্দির অসি চেক অমসুং (চী শু অমসুং খেউ) না শাবনি। মন্দির অসি নোংপোক ওল্লি। মসিগী মাঙ্গোল অমা নোংপোকলোমদা ইন্দোকতুনা লৈ। মন্দির অসিগী মথুং থংবা শরুক্তা নাকল মরিদা চেক্কী ফক্লাংনা খাজিন্দুনা শাবা কা অমা লৈ। মথুং থংবা কা অসি মন্দির অসিগী খ্বাইদগী শেংবা মফম্নি। মফম অসিদা শ্রীগোবিন্দ রাসেশ্বরীনচিংবা লাই লাৎসমই। শ্রীগোবিন্দগী মন্দির অমনবা অসি খা-বাংদা ফুট ৫২´ ইঞ্চি ১০´´ শাংই। নোংপোক নোংচুপ্তা ফুট ৪১´ ইঞ্চি ৫´´ পাকই। মসিগা শম্নবা নোংপোকলোমদা খা-অবাংদা ফুট ৩৮´ ইঞ্চি ১০´´ শাংবা মাঙ্গোল অমা ইস্থোকলি। মন্দিরদা লাইকোয়কম ফুট ৫´ ইঞ্চি ৫´´ পাকপা লম্বী অমা মথুংদা লৈ। লাই কোয়কম ফুট ৫´ ইঞ্চি ৫´´ থানা মাঙ্গোল অসি নোংপোক নোংচুপ্তা ফুট ২০´ ইঞ্চি ১´´ শাংই।

চেকনা শাবা বৈথপ অসিসু মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহনা শ্রীগোবিন্দদা কৎচরম্বনি। ১৮৫৫ ইংগী জুলাইগী তারিখ ২৫ শকাব্দ ১৭৭৭ ইঙেন থাগী ১১ নি পানবা য়ুমশকৈশদা অনুরাধা নক্ষত্রনা পানবা মুমিত্তা শাবা হৌখি। বৈথপকী য়ুমথকপু ঙাকলো ওইনা পুরম্বা চেক্কী য়ুম্বীরেল তরামাথোই নত্তনা অতৈ য়ুম্বীগী শরুক উবা ফংদ্রে। হৌজিক লৈরিবা য়ুম্বীশিং অসি সেন্টিমিটর ৪২৪ ৱাংই।

মথংদা লৈজরে লৈমপোকপা কৈরুংবা অমসুং থঙ্গাল জেনেরেলগী লাইশংশিং। লৈমপোকপা কৈরুংবগী মন্দির মণিপুর ষ্টেট রোড কর্পোরেসনগী কম্পাউণ্ড মনুংদা লৈরি। থঙ্গাল জেনেরেলগী মন্দির ৱা হৈথদা লৈরি। লৈমপোকপা কৈরুংবগী মিংদি শাজৌ কৌই অদুগা থঙ্গাল জেনেরেলগী নিংনা চিদানন্দ কৌই— ময়াম্না হেন্না খঙবিরবনি। মন্দির অনি অসি অমতগী ওইনা তৌই। মন্দির মশাসু হায়রপ মান্নে। মন্দিরগী প্লান য়েংলুরবসু এয়ায়দা মরাক-ময়ুং মান্নবা, অকোয়বদা প্রদক্ষিন পথ থম্বা অমসুং থারোমদা থোং ফাংপা মন্দিরঙাক্কি। "নোংথোম্বা ধর্ম্মগী কুম শক ১৮০১ × × × × কালেন থা লৈপাকপোকপনা হল্লে। × × × × × কাংঙবা মেঙ্গোরগী ফুরা, লৈমপোকপা পানা হাজারীগী ফুরা হোংএ" হায়না চৈথারোন কুম্বাবদা ইরি।

মথংদা লৈজরে মাইস্নাম লুৱাংনিংথৌগী ফুরা। ফুরা অসি চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকাইদা হৌজিকসু লৈরি। মসি মাইস্নাম লুৱাংনিংথৌগী মোংফমদা শাখিবনি। মাইস্নাম লুৱাংনিংথৌ অসিগী

মমিং গৌরশ্যাম কৌই, চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজগী মমাসিজ মাইস্নাম কুমু-দিনিবু পোকপনি। "য়ুমনাপা ক্ষেমাসিংকি কুম শক ১৭৭০ X X X পোইন্নু থাদি লংমাইচিংনা হনএ। X X X X ১২ নি শকোলশেন্তা মাইস্নামতা কৌরশ্যাম লুবাং নিংথৌ শিএ।" অসুম হায়না চৈথা-রোল কুম্বাবদা ইরি। হায়রিবা ফুরা অসি মাইস্নাম গৌরশ্যাম লুবাং নিংথৌগী মোংফমদা শাথিবনি। ফুরা অসিগী ফিভম ফনা লৈরি।

মথংদা মনিপুরগী শিখিবা বৃটিশ অফিসারশিংগী মোংফমদা শাথিবা নিংশিং ফুরাশিংগী মরমদা পাইখৎচরি। মনিপুর ইহান হানবা পলিটিকেল এজেন্ট অসিগী মমিং কেপ্তেন জর্জ গর্ডন কৌই। মহাক ১৮৩৫ ইংদগী ১৮৪৪ ইং ফাওবা মনিপুরগী পলিটিকেল এজেন্ট ওইরমই। মহাক নাতুনা মনিপুরদা শিখি। মহাক্কী মোংফমদা শাথিবা ফুরা অতু হৌজিকসু লংথবান্দা লৈরি। ফুরা অতুদা ইরি—"In memory of Captain George Gordon, the first Pol. Agent in Manipur, v ho died and buried here in 1844." বৃটিশ সেমিত্রিদা নিংশিং ফুরা অমা লৈ, মসি মণি-পুরদা পলিটিকেল এজেন্ট ওইরম্বা সার্জন মেজর রবর্ট ব্রাউনগী নিং-শিং ফুরানি। রবর্ট ব্রাউন মণিপুরদা ১৮৬৭ ইংদগী ১৮৭৬ ইং ফাওবা পলিটিকেল এজেন্ট ওইরমই। মহাক নাতুনা শিখি অমসুং মহাক্কী অশিবা মশা অতু ১৮৭৬ ইংগী আগষ্টকী তাং ১৮দা ফুমখি। চৈথারোল কুম্বাবদা ইরি— কাংছজাম্বা খেমাগী কুম শক ১৭৯৮ X X থবানগী X X ২৯নি ইরাইদা বুরুন সাহেপ শিএ।" মশা ফুমখিবা

মফম অত্তুদনি মহাক্কী নিংশিং ফুরা শাখিবা। নিংশিং ফুরা অত্তুদা ইরি— "In memory of Surgeon Major Robert Brown, Political Agent in Manipur, who died and buried here on 18th August 1876."

রেসিডেন্সীগী সেমিত্রি (হৌজিক্কী রাজভবনগী কম্পাউণ্ড) দা লৈ ১৮৯১ ইংগী মার্চ্চগী তাং ২৪দা মণিপুরদা হাৎখিবা বৃটিশ অফিসারশিংগী নিংশিং ফুরা। মসি কনা কনাবু নিংশিংনবা ফুরানো হায়ববু— আসামগী চিফ কমিশনার মিঃ জেমস কুইণ্টন সি, এস, আই, আই, সি, এস, ৪২ শুবা গুর্খা রাইফলসগী কর্ণেল চার্লস্ মেকডোয়েল স্কীন ডি, এস, এ; আই, এস, সি, ৪৩ শুবা গুর্খা রাইফলস্গী মণিপুরগী পলিটিকেল এজেণ্ট মিঃ ফ্রাঙ্ক সেণ্ট, ক্লেয়ার গ্রীমউড, লেফটেনেণ্ট ৱালটর হেনরী সিম্পসন আই, এস, সি, আসামগী চিফ কমিশনারগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি মিঃ ডব্লিউ, এইচ, কমিন্স আই, সি, এস— মখোয়শিং অসিবু নিংশিংহল্লি। মখোয় অসিদস্থ নত্তে, নিংশিং-ফুরা অসিনা নিংশিংহল্লি— মণিপুরগী লান্দা শিখিবা লেফটেনেণ্ট লিওনেল উইলিয়ম ব্র্যকনবরী আই, এস, সি অমস্যুং ৪৪শুবা গুর্খা রাইফলস্গী সিফাই কয়ামরুম। ফুরা অসিনা নিংশিংহল্লি— ১৮৯১ ইংগী মার্চ্চগী তাং ২৬ তা ময়াংখাংদা হাৎখিবা ইণ্ডিয়ান টেলিগ্রাফ ডিপার্টমেণ্টকী স্থপারিনটেণ্ডেন্ট উইলিয়ম বেবিংটন মেলভিন অমস্যুং সিগ্নেলর জেমস্ ওব্রাইন। ⊙

মনিপুরগী নূংদ হক্কম্বা শক্তমশিং

এসঃ ভৈগ্য সিংহ
রিজিষ্টরিং ওফিসার

বাহৌদোকঃ ঐখোয় মীওইবগী বাখল অসি খুংহৈব (আতিষ্ট) অমসুং অইবশিংনা (রাইতর্স) মীৎন উব পোৎশক নত্রগা ইথোক্লবা ওইনা ওস্থোকই। মতৌ অসুম তৌদুনা, নূং হায়বসি অথোৎপা পোৎশক অমা নত্রবসু লাই হকপশিংনা (স্কলপতর) মী, শা, লাই-নচিংবশিংগী শক্তমশিং অসি শাবদা, মীওইবনা চাওখৎপগী মঙাল ফংলকপদগী হৌন, নূং শিজিন্নরকই। "ইজিপকী স্পিনিক্স" "হারাপ্পা সিভিলাইজেসনগী মীওইবগী শক্তমদা মকোক য়াওদবা তোরশো" অদুগা অশোক্কী মতমগী ওইবা য়ুম্বী মতোন্দা শাবা নোংশা অমসুং শল্লাবা (দি লাইওন এন্দ বুল কেপিতেলস) পুম্নমক অসি নূংগী লাই হকপশিংনা শারম্বা মতম কুইনা নিংশিংনিংঙাই ওইরবা শক্তম-শিংনি। চুম্লে হায়না লৌবা য়াবা রেকোর্ড (অথেন্তিক রেকোর্ড) লৈতবনিনা মনিপুরগী ওইনা; নূংগী শক্তম শাননবগীদমক্ত নূং ককপা খোৎপগী আর্ট অসি করম্বা মতমদগী হৌখিবগে হায়বসি খুম্বদা লুনা থোকই। অদুবু মনিপুরদসু, ঙঃ কুমারনা নোংপোক জিলাদা লৈবা কংখুই সুরুংদগী, নোংচুপ জিলাগী থারোন্ গুরুংদগী

নেওলিথিক্কী খুৎসু খুৎলাই কয়া ফংলে। অতুগা মুতুৱা বহাত্নরন হায়ৎগী মতুংইন্না খা-ভিলাদা লৈবা ভঙ্গাইদগী মুঙদ হকলম্বশিং ফংলে। পুম্নমক অসিগী মথক্ত খৃস্তগী ১৫শুবা চহিচাগী মুঙদা হবলম্ব লাইৱিক ময়েবসু ৎেংনৌপল ভিলাদ লৈব খোইবুদগী ফংলে।

মরম অসিনা, মণিপুরগী মুঙগী শক্তমশিং অসি হিন্দু লাইনীংগী ঈথিল (ইনফ্লুএন্স) মাল্লি। হৌজিক ফাওবদ ফংলিব মুঙগী শক্তমশিং অসিগী মমুংদ অয়াম্বন হিন্দু লাইশিং ওইব অসিন মথক্কী ৱাফম অসিবু শৌগৎলি। হদসননা হায় "মুঙদগী শাবা লাইশিংগী শক্তম-শিং লৈরম্মী" ডি মৈথৈজ— লাঃ ৯৯, (১৯৭৫ ইদিসন)।

খৃস্তগী ১৮শুবা চহিদা হৌরকপদগীদি হিন্দু লাইনীংগী ঈথিল অসি কনশিল্লক্লে অতুবু খৃস্ত কুম ১৪৭০ নিংথৌ কিয়াম্বনা পোংগী নিংথৌ খিখোম্বদগী বিসমুগী শক্তমসি ফংখি হায়ন চৈথারোল কুম্বাবদ হায়রি (রেকোর্দ তৌর)। য়াম্না য়েৎনফম ওইৱিব (মচ কনত্রোভর্সেল) নিংথৌ খোঙতেকপগী কোরী কোমপাক্ত বিসমু, শিব, দেবীনচিংবা হিন্দুগী লাইশিংবু পল্লবসু, নিংথৌ কিয়াম্বগী মতমদগী হৌন হিন্দু লাইনীংন খূমাঙ চাওশিল্লক্লে (গেনিং গ্রাউন্দ) হায়বসিদি ঐখোয়ন য়াই (কেন একসেপ)। থৌদোক অসিগ লোয়নন অমসুং ভারতকী তোঙান-তোঙান্ব মফমদগী অরেপ্প লৈতন বামোনশিংন চঙশিল্লকপ অসিন মরম ওইদুন মণিপুরদ মুঙগী শক্তমসু হৌদোকখি।

খ্বাইদগী হেন্ন ময়াম্ন খঙনরব শক্তমশিংদি হনুমানজি, দুর্গা নবগ্রগা

(লাইব্রেম্বী), মহাদেব, বিসনু অমসুং মহাক্কী শায়োন তরা— বামন, নরসিংহ, পরসুরাম, বলরামনচিংগুম্ব অসিনি।

হৌজিক ফাওবদ মণিপুরদ ফংলব হিন্দুগী শক্তমশিংদি -- গনেশ, কার্ত্তিক, সরস্বাতি, ইন্দ্র, ধ্রুব অসিনচিংবনি। মসিগী মথক্ত, হৌজিক ফাওবদ ঐখোয়ন হিন্দুগী নত্তব (নন্-হিন্দু) মুঙগী শক্তম মাবফ লে। মখোয় অদুদি— (ক) ফৌওইবী ১— ষ্টেটমিউজিয়ম; (খ নুপা লাম্মী ১—ষ্টেটমিউজিয়ম; (গ) নুপী লাম্মী ১—ষ্টেটমিউজিয়ম (ঘ) কৈ ১— মুতুবা মিউজিয়ম। ঙসিগীদমক্তদি শক্তমগী অকুপ্পা মওং মতৌ নৈননবগীদমক্ত ঐন মখাগী শক্তমশিং অসিতবু খনগৎলি

(১) নিংথৌ কিয়াম্বগী বিসনু (১৫শুব চহিগী এ, ডি) লাই অসি মুঙন শাই। মহাক্ত মহাক্কী গরুরদ তোংই অদুগা মথকথংব য়েৎথংব খুৎন মোইবুং অমা, মখাথংব য়েৎথংব খুৎন চক্র অমা, মথকথংব ওইথংব খুৎন গদা অমা অদুগ মখাথংব ওইথংব খুৎন থম্বাল অমা পায়। চাউ শাংব (সাইজ) অমসুং ফোতোগ্রাফতি ফংদে। হৌজিক মসি সনাকোমুঙদ লৈ।

(২) অরিবম লাইব্রেম্বী (তুগ'ী) শ্রীঅরিবম চিতানন্দ শর্ম্মনা হায়ব মতুংইন্ন মসিগী ব্রারী-লাইব্রেম্বী অসি মহারাজ খাগেম্বগী মতমদগী (১৫৯৮—১৬৫২ এ, ডি,) কংলাদ । অদুবু করিগুম্বা মরম থরদগী, নিংথৌন দেবী অসি অরিবমগী বামোনশিংদ লাংনব সনা য়াথং পিখি, মরমদি— অরিবমশিং অসি দেবী অসিবু সেবা তৌবশিং ওইরম্মী। মসিগী মরমদি পেলেস কমপাউণ্ডদ বিসনু

অমসুং দেবী লাৎলিব বামোনশিংন খৎনরকপদগী ওইরম্ব য়াই। মরম অসিন, থাগেম্বন অরিবমশিংবু দেবী অদু কোন্নুংগী রাংমদ লাৎনব য়াথং পীরম্ব য়াই।

লাই অসিগী লৈফম— য়াইস্কুল; মতম ১৭শুবা চহিচা এ, ডি, পোৎচাক— নুঙ; চাউ-শাংব ৬১.৫×৪৬ সেমি; খুৎশা [স্তাইল] মণিপুর লো রিলিফ।

মওং মতৌ (দিস্ক্রিপশন)— দেবী অসি মহাক্কী শাদোং নোংশাদ লেপই। নোংশা অদুন হিংচাবা মহিশাসুরবু হাৎলি। মহাক্কী পাম্বোম তরা পাল্লি অদুন মহাকপু কত্যানি মহিশাসুরমারদিনি দুর্গা হায়ন খঙনৈ। মহাক্কী পাম্বোম তরা অদুন মটশ্য পুরাননগী মতুংইন্ন খুৎলাই পায়। মখুৎ তরা পাম্বী দেবী অদুনা মখাগী পোৎশিং অসি পায়। য়েৎথংব মখুৎশিং অদুদ মথকলোমদগী হৌরগ [১] থাংশাং, [২] চক্র, [৩] ত্রিশুল, [৪] বজ্র, [৫] তা। ওইথংবা মখুৎশিংদ মথক্তগী হৌরগ (১) মোইবুং, (২) দমরু, (৩) লীরুং তেন, (৪) থাংশাং, (৫) চুঙ্গোয়।

[৩] ফৌওইবী :

পোচাক— নুঙ; মতম— ১৯শুব চহিচা এঃ ডিঃ ; লৈফম— ষ্টেট মিউজিয়ম; চাউশাংবা— × ; খুৎশা— মণিপুরী

মওং মতৌ—য়েৎথংবা মখুৎন মহৈ মরোং চরোং অম পায় অদুগ ওইথংব মখুৎন থুম্মোক অম পায়। মসি এনামেল মচু তয়।

[৪] নরসিং ঃ

পোৎচাক— লৈঙোই মুঙ; মতম— ১৯শুবা চহিদা এঃ ডিঃ ঃ লৈফম— কাকৈথেল, সোইবম লৈকাই, ইম্ফাল। চাউশাংবা ৪৪ X ২৭ সেমি; খুৎশা— মণিপুরী হায় রিলিফ।

মওং মতৌ ঃ লাই নরসিংহ হায়বসি বিসমুগী শায়োন ১০গী মমুংদ অমনি। শায়োন অসিদ লাই অসি মকোক্ল নোংশা মকোক পাল্লি অদুগ লৈহৌরিব মশাগী শরুক অদুন মখুৎ মরি পাম্ব মীওইব অম ওই। মসিদ, লাই অসিন লৈমায়দ তাদুন লৈরিব হিরন্যা কাশিপুগী মথবাক অদু ফঞ্চাই শেগাই [লাইয়েক—১]।


[৫] শীলা থাকুর ঃ

পোচাক— অমু লৈঙোই মুঙ; মতম— ১৯শুবা চাহচা এঃ ডিঃ গী অঙম্ব শরুক; লৈফম—বামোন লৈকাই ইম্ফাল; চাউশাংবা – ৭৫ X ১০৩ সেমি; খুৎশা— মণিপুরী দীপ লো রিলিফ।

মওং মতৌ ঃ মসি চাউরবা নুঙগী শক্তম অমনি। শক্তম অসিবু শারিব খুৎহৈব অসি "চৈতৈন স্কুল ওফ বৈশ্নবিজম" বু য়াম্ন পামজব মীশক অম শোয়দনমক ওইগনি। মসিদা খুৎহৈব অসিন য়াম্ন মায় পাক্ল তাইবঙ মপু কৃষ্ণ অমসুং রাধাবু হকলে। মহাকপু য়াম্ন নীংজব নিত্যাইনন্দন য়েত্তা অদুগ চৈতৈন্যন ওইদ। খুৎহৈবরেন [মস্তর আর্তিস্ত] অসিন শক্তম মরি অসি নুঙ অমথক্তদগী শাই। কৃষ্ণন ত্রিভঙ্গ মুর্ত্তিদ বাশি খোংই অদুগ রাধান জগোই শাই, নিত্যাই-নন্দ অমসুং চৈতৈন্য অনিমক ভজন শকপগী ফীভমদ উংলি। য়েৎথংব



Fi 1



F1 .2



Fi, 8

খুৎশিং অদু লোৎজুম্নগ বাংব মাম্নন থাঙৎজি অদুগ ওইথংব খুৎশিং অদুন মথাদ থাদৈ (লাইয়েক—২)।

[৬] সগোলশেম লাইরেম্বী (দুর্গা):

লৈফম— খুয়াথোং; মতম— ১৮শুবা চহিচা এঃ ডিঃ; পোৎশক— নুং; চাউশাংবা— ৮১×৫৩ সেমি; খুৎশা— মণিপুরী।

মওং মতৌ— দেবী অসি মহাক্কী শাদোং নোংশাদ ফম্মী। মহাক্কী পাম্বোম তরা পাল্লি অদুগ মথাগী খুৎলাইশিং অসি পায়। (লাইয়েক—৩) য়েৎথংব মখুৎশিংদ (মথকলোমদগী) (১) চক্র, (২) গাদা, (৩) তেনজৈ, (৪) তা, (৫) থাংশাং। ওইথংব মখুৎশিংদ (মথকলোমদগী) (১) ব্রজ, (২) মোইবুং, (৩) লীরুং, (৪) লিল, (৫) চুজোয়।

থারোইঃ লাইহকপশিং অদুগী মরমদা চপচান হায়বদি অরুব ওইগনি। অদুম ওইনমক মথোয় অদু মশানা নুং শুবগী থবক তৌব লম অসিগী খুৎহৈব ওইগদব মাল্লি। শাগদব লাই অদুগী মপু অদুন নত্রগা লাই অদুবু কৎকদৌরিব মীশক অদুন হায়বগী মতুংইন্ন মথোয়ন নুং অদু ককপ শোয়দনমক্কী ওইগনি। মণিপুরদ শক্তম শানবগীদমক্ত মরু ওইন লৈঙোইনুং শীজিন্নে। নুং অসি বিশেনপুর মনাক্তলৈব থোঙজাউরোক্ত অমস্তুং শেনজম চিয়াংশুম্বা অতোপ্প তুরেল থোঙম্নুংদ ফংই।

অরোইবদ হায়জনিংবদি, পুথোকচরিব চে অসি মণিপুরগী হরুম্ব শারম্ব শক্তমশিংগী মরমদ য়াম্ন কুপ্ন নৈনরব অমদি নত্তে। হীরম

অসিদ হেন্ন খণ্ডজিন্নবগীদমক্ত য়াম্ন কুপ্ন নৈনব অমদি হীন্নম অসিদ খণ্ডহৈন্নবশিংন অমুক হেন্ন নৈনবগী মথৌ তাই।

মন্নী লৈনব লাইরিকশিং :

(১) চৈথারোল কুম্বাবা : ইদিত্তেদ বাই এল ইবুঙোহল এন্দ এন খেলচন্দ্র।

(২) রিলিজিয়স দিভেলপমেন্ত ইন মণিপুর ইন দি এইতিন্থ সেন-চুরি এঃ দিঃ বাই ডাক্তর এমঃ কির্ত্তি সিংহ।

(৩) ইকোন্স এন্দ স্কলপচর্স ওফ অর্লি এন্দ মেধিবেল আসাম। বাই— এঃ ভট্টচার্জ।

(৪) দি আর্ট ওফ ইন্দিয়া : বাই— সীঃ শীবরাম মুর্ত্তি।

(৫) দি মৈথৈজ : বাই— ডিঃ সিঃ হদসন।

(৬) মণিপুরী আর্টকী ৱারী শীংবুনঃ বাই— মুতুৱা বাহাদুর।

সেমানবগী
লৈনথিব শকুক

কংলা

ৱাহং—পাউখুম

ভোগেশ্বরগী ৱাহংঃ (১) লাই পাঙ্গনব হায়বসি করম্বা মতমগী করম লাইনো ? (২) অপম্বদগী কংলা কাওব পাই হায়রিবা উচেক অসি করম উচেকনো ? (৩) কংলা কোম্মুং তাকপদ খুত্তগী ৱাকম পম্বীরি (৪) লাইরেল লউকোংবগী মতমদ লাইবগা পাংঙল অমগ চাং য়েংনৈ লায়বীবি (৫) খুত্তগী ৫ত্তব চহীচাম পাংঙল নৈরত্রা ? ৱাকম পুম্নক অসি করি পুম্নাদগীনো থংজ-নিংই ।

হিরন্যঃ—লাই পাঙ্গনবগী ৱাকম "ৱাকোকলোল থিলেল সলাই অমাইলোল পুকোক" পুম্নে য়াওই । উচেক্কী ৱাকমদা পেপর অসিমক্তদ লৈহাও লৈব কোক্তগী ওইগনি হায়না অহুম য়াওজবে । অশাংবম লাইবগী ৱাকম অসি "লম্মলেন শাকোক" পুম্নাদগীনি । লাইরিকদি পাংঙল হায়দে মুসলমান হায় । লাউকোংবগী মতমদ-হাজরত মহাম্মদ পোক্রমলবস্থ পোক্রমজবস্থ লাইরিক অহুমদি মুস-লমান হাঁয়বদি পম্নমদে ।

প্রোঃ ইবোচৌবাঃ উচেক্কী বাকম অসি কদায়দগী লৌথোক-লকপনো ?

হিরনাঃ মসি পোপুলর সেমিংনি। (পোপুলর সেমিং তায়-বসিদ প্রোঃ ইবোচৌবন য়ানিংদব কোংদোকখি।)

প্রোঃ হাওবম গৌরদাসঃ লাইরিক য়াওরম্বী হায়হুন' হেক্ত লৌগদব নত্তে। পুয়াগী মশক মওং থওদোকদবনি। ইতিদেল য়াওবা, মিথোলোজীদ য়ুম্ফম ওইহুন ইতিহাস শাগৎপ য়াকম থোক্কে।

প্রোঃ খোকচোম যোগেন্দ্রঃ পেপর অসিদ মরু ওইন য়ুওলোন থম্বাল অমম্তুং লমলেন শাকোক পুয়া অনি অসি পল্লি। অয়াম্বদি হীয়ার সেদ য়ুম্ফম ওইদ্রুন ইবগুধ তোই। ইউঃ এলঃ এঃ না পামলিবদি ওথেনতিক ওইব পোৎশক পাম্বনি অতোপ্পা অমন কোন্নুংগী কংলাগ থেম্বব অসি শেংন থম্বীব পাম্মী

প্রে : এনঃ তোম্বীঃ কংলাগী মোনুমেন্টশিং অসিদগী ইতিহাসকী মচাক ওইবগী বাকম পন্দে। পেপর অসিদ-য়াওরিব য়ুওশিং অসি 'লৌথোক্ক না য়েংব ভাবনি।' য়াইতরন আকিওলোজিকেল ইন্ডি-পেন্ডেন্স পীদে পেপর অসি সেমিনার অসিগ মরী লৈনদবত্তুব তোই।

বালকৃষ্ণঃ কংলাগী ওমথৈ অসি কদাই কংওবনো ? হৌজিকী বাম্বিং তোপীক অওগ মরী লৈনৈ।

খেলচন্দ্রঃ (প্রেসিদেন্তন হায়বদগী) কংলাগী হৌজিক ওইরিব

লেমিনারগী নৈনখিব শরুক

মশক অসিদি মায় শেমদোক্লবনি। কংলাগী মকম অসি নাপোম ং পানব চীংশাং ওইরম্মী। ইম্ফাল তুরেল অসি মকম অসিদ চেল্লমদে। হৌজিক তুরেলগী নোংপোক থংবদ লৈরিব লম অসি কংলাগী শরুক ওইরম্মী।

অশোককুমারঃ করম্ব উক্রা থোনখিবগে ?

হিরন্যঃ মীগী মশক মানব মুঙ অম উপু ন লৈএ হায়দুনা উপত্রা, উপএাদগী উক্রা হায়নখি॥

লুহংদ হক্কম ইথকশিং

লুহং — পাউখুম

এসঃ নীলবীরঃ লাঃ ১১দা ইখিব "খুমেক অনিগী লুহং" হায়বসিগী মতাংদ—"লুহং অসি কিয়াব নিংথৌগী মতমদ য়ুংলখনি হায়না খাজনৈ" হায়বসি ওইকম থোক্কে হায়ন খল্লি। মরমশিং মথাদ পীজরি। (১) অহাব পরেংদ য়াওরিব "লাইনিংথৌ" হায়রিবসি নিংথৌবু খঙ্‌নব য়াহৈনি। নিংথৌবু লাইনিংথৌ হায়ন খঙ্‌নব হৌখিবসি খাগেম্বগী মতমদগীনি (খৃঃ ১৫৯৭—১৬৫২)। "নিংথৌবু লাইনিংথৌ কৌখিবস্তু খাগেম্ব মহারাজবু কৌব হৌ।খবদগী মথং মথং কৌনখবনি। (সনাহল বিঃ কমঃ মনিপুর ইতিহাস লাঃ ৪৪) (২। অহাবা পরেংগী "শ্রী" হায়বা খোম্থোকসি অহাব ওইন শীজিন্নরবন চরাইরোংব নিংথৌনি। (খৃঃ ১৬৯৭—১৭০৯)। হিন্দু লাই-নিংদ অহাবা ওইন লাইমিং লৌখিব নিংথৌস্তু মহাক্নি। অহুগা নিংথৌগী ওইব মিংগী মমাঙ্‌দ "শ্রী" হায়ব খোম্থোক শিজিন্নবন পরিবনিবাজনি। (১৭০৯—১৭৪৮) (Bulletin no. 1 coins of Manipur—M. Bahadur) মরম অসিনা লুহং অসি খাগেম্বগী মতুংদ পায়কপ নিংথৌগী মতমদ য়ুংলব ওইকম থোকই। (৩) হাকম অসি ১০শুব পরেংগী "কিয়ামবানা লাংলম্ব লাইনে"

হায়বসিনস্থ শোংগৎলি। কিয়াম্বা নিংথৌন য়ুংলম্ব ওইরবদি "কিয়া-ম্বন লাংলিব নত্ত্রগ লাৎপ লাইনে" হায়ন ইরমকম থোকপনি। (৪) অহাব পরেংগী "কিয়ামবাম্বী য়াথংনে" হায়বসিন মহাকী মতম অচুগীনি হায়ব খাকম খঙ্ত্রম্ব ঙমদে। মরমদি পেপর অসিমকী ওইথংব লাঃ ১২দ খুৎয়েক ৩ শুবগী মতাংদস্থ কিয়াম্বগী মতুং কোনথংদ পাল্লকপা নিংথৌন হক্রম্ব মুংদস্থ "কিয়ামপাম্বী য়াথংনি" হায়ন অহাব অমস্থং অনিশুব পরেংদ ইরি। মরম অসিন মুণ্ড অসি চরাই রোংব নত্ত্রগ মহাকী মতুংগী নিংথৌন য়ুংলম্ব ওইকম থোকই (৫) লাঃ ১২ আসম্বী "খুৎয়েক অহুম" হায়বসিগী অহাব, অনিশুব অমস্থং ১৫ শুব, ১৬ শুব পরেংদ ইরিব খাৎলিশিং "অনিশুব খুৎয়েক" কী অহাব অমস্থং অরোইবা পরেংগী খাৎই খাতা কন য়াম্ব খামৈ। "অহুমশুব খুৎয়েকী" মুণ্ড অসি মাজিৎ মতমগী ওইব য়াবগী মরম খরস্থ লৈবন, মুণ্ড আসস্থ মাজিৎ মতমগী (১৮১৩—১৯) ওইবস্থ য়াই। খাকমশি "অহুমশুব খুৎয়েকী" মতাংদ নৈনজগে। "শ্রী" হায়ব খাৎলিশি শিজিন্নবগী মতাংদ কনাগুম্বম "করেংগী কোরা কোমপাক" পনবীরকপা য়াই। অচুবু মাসদি চক্রকির্তি মতমগী ওইগনি। (Religion of Manipur.— Dr. Soroj Nalini Parratt) পুস্থক অসিগী মথক্ত চরাইরোং-বগী মমাঙ্দ চৎনরম্ব মীতৈলোন্দ Loan word। মকওইন সংস্কৃত) য়াওদে। (O. Kumar: Note on Meetei Script. Ressistance 20/12/77) লা. ১২, খুৎয়েক অহুম(.খাংবু মুণ্ড)গী

মতাংদ (১) "২শুব খুৎয়েক লাঃ ১১"গী মতাংদ হায়খিবগুম মসি-দস্থ "লাইনিংথৌ" হায়ব বাহৈশি য়াওব মরম থাগেম্ব নত্রগা মতুংগী ওইকম থোক্লে। (২) পেপর অসিগী অইবন "মৈদিংগু পাইখোম্বন মুঙদ ময়েক তাবন্দুনা থোইবুদ য়ুংলম্মী হায়বসি মুঙ-শিদগী খঙ্ব ঙমই" হায়রিবসি চুমলোই। মরমদি মুঙ অসিগী অনিশুব পরেংদ খ গেম্ব পল্লে; ভশুবদ পাইখোম্ব পল্লে অহুবু মসিন লোইত্রি ৯ অমসুং ১০ শুব পরেংদ "লাইনিংথৌ ময়াং ঙম্ব গী মমিং পল্লি। মীতৈ পুৱারী (মনিপুর ইতিহাস ত "ময়াং ঙম্ব" হায়বসিন য়ামত্রন্দ নিংথৌ অহুমখকপু খঙ্‌নহল্লি। মখোয় অহুদিঃ-
(ক) খাগেম্বা (Coins of Manipur: Bulletin no 1.)
(খ) গরিবণিৱাজ (চাদা লাইছুই লাঃ ৮৯) (গ) মার্জিৎ (থিয়াম নৈশাং খোংগী মুঙ—পেপর অসিংকী লাঃ ১৫ ওইথংব নাকল)। পাইখোম্বগী তুংদা পল্লবনিন হস্তকী ময়াং ঙম্ব অসি খাগেম্বদি নল্রে। গরিবনিবাজ নত্রগ মাবর্জিৎ ওইব ভারে। মরম অসিন মুঙ অসি ঙল্লবদ (খৃঃ ১৭০৯—১৭৪৮), থেঙলবদ (খৃঃ ১৮১৩—১৮১৯)গী ওইকম থোকই। পাইখোম্বন য়ুংলম্বদি ওইকম থোক্লে।

পুখংগক্লিব রাকম অমদি রাহংশিং অসিগী পাউখুম ওইন পেপর রিদরন অতোপ্প মতমদ অমদ খম-নৈনব পাম্বগী রাখল কোঙদোকখি।

ভোগেশ্বরঃ— লাঃ ১১দ য়াওরিব “থুৎয়েক অনিগী মুঙ” অসিদ শ্রী. লাইনিংথৌ অমদি ঘ ময়েক্লচিংব য়াওব মরম্ম মুঙ অসিগী মায়ক অসি কিয়াম মতমগীদি ওইরমোই। মহাকী মতু'দ পাল্লকপ নিংথৌশিংগী হাকক ইরম য়াই।

মনিপুরগী
অরিব্বা ফন্নুরাশিং

●বাহং - পাউথুম●

প্রোঃ এসঃ নীলবীরঃ—

(১) লঃ ১৯গী ২শুব পেরাগী অয়োইব শরুক "পোংনচিব অমাং ব্রহ্মাদ বিষ্ণু লাৎলশ্মী" হায়রিব মসিগী মতাংদ হায়জ-নিংবদি অসিনি-অসামগী অহোমশিং অসি "শান" নি, তাই কাঙ-বুনি। মখোয়না আসামদ খৃঃ ১২২৮দ চঙ্শিন্নকপনি। মখোয় পোং লৈবাক্কগীনি হায়না এদবার্দ গাইতন মখাগী অসুম হায়:— "*There can be no possible daubt that the origi al home of the Ahom was somwhere in the ancient Kingdom of Pong*"(*History of Assam page 78* মখোয়না অসামদ চঙ্লকপ মতমদ মখোয় বৌদ্ধ লাইনী চংপ মী ওইরক্কে অমুন গাইতন হায়—"*But the Ahoms were the only ones who did so before the conversion of it inhabi tants to Buddhism*" (*page 78*)। অহুবু অসামদ কোম্মচঙ্ লকপা শান কাঙ্বুদি বুদ্ধিস্ত ওইরে। অমুনা *Gaita* হায় *The other Shan tribes of Assam are all Buddhists, which shows that they migrated at a leter stage*" (*page—78*) অহুগা অহোমশিং অসি ১৩শুব চহি চাগী চৌবকপ

মতমদ অসামদ লাকপদমু হিন্দু লাইনিংগী লাই লাৎপ ওইরক্তে থারি। মরমদি মখোয়না হিন্দু ওইরকপ অসি অসামদ লাক্লব মতুং-গনি। মখোয়গী মশাগী লাই চাউকার্বু হিন্দুগী ইন্দ্রগ, জাচিংকাবু সরস্বাতিগ মায়ম্নমচিংবা তৌখিব অসি অসামদ লাক্লব মতুং দনি। (পেজ: ২৮৬) মরম অসিনা কিয়াম্বগী মতমদ পোং অসি বিষ্ণু লাৎপ Vaishnavisma Pongগী Court Religion কর্নম ওইখোকপা য়াবগে ?

(২) পোং নিংথৌ খিখোম্ব অসি বিষ্ণু হায়ব হিন্দুগী লাই অসিবু মশক খণ্ডদবগী মওংদ "শ্রীমতৈ পুরান বিজয় পঞ্চালি দ্বিতয় খণ্ড লাঃ ১১ দ", অস্মুম্ন হায় "নিপা অমন লৈপাক তৌবদ থেং-নহুন পোং নিংথৌদ পীরে। পোং নিংথৌন ফুরি খোৎনরুবদ লাইথুং ওইগ্রহুন কপলে। নিংথৌগী মমঙদ ইমিং বিষ্ণু কৌই, মনিপুরগী নিংথৌদ লাৎহন্নু" হায়না তাক্লবদগী কিয়ম্ব নিংথৌদ শিন্নবনি হায়রি। হংজনিংলিব য়াহংদি পোং লৈপাক অসি কিয়াম্ব গী মতমদ বিষ্ণু লাৎপ.লৈপাক ওইরম্মী হায়বসি য়াম্ন শেংম হায়ব লাইরিক অহুগী মমিং হায়বিয়ু। বুদ্ধি লৌশিং ওইজ ফাগে? বিজয় পঞ্চালিদ পীরিব বাকম অসিদ স্বথ্যাগী মত করিনো ?

[২] লাঃ ২২ গী ২শুব পেরাদ "অহাম মনিপুর রাইফলসকী কমপাউন্দদ লৈরিব সনামহীগী ফুরা" অসি ১৯শুব চহি চাদ শারবগী মওংদ ইবিরি। অহুবু এনঃ খেলচন্দ্রন মহাকী "অরিব মনিপুরগী সাহিত্য ইতিহাস" লাঃ ১২১দ "সনামহী লাইকন" কৌব

লাইরিকী মতাংদ অঙ্গম ইরি "লাইনিংথৌ থাগেম্বগী সনা হাকচং সনামহী মূর্ত্তি শাহনা লাংলম্ব অহ [illegible] ইবুংঙো মহারাজ গরিবনিবাজ সনা হাকচং থুম্বগী ১৮শুবা শতাব্দীগী অহানবা [illegible]ংথাইদ সনামহীগী মূর্ত্তি থুগাইরগ অমুক হন্না মূর্ত্তি লিংখৎতুনা শাবগ লো.-লোং য়ুম্ফমদ ফুরা লাইয়িম শাত্তুনা সনামহী অমুক হন্না লাৎখিবগী মরমদ ইবা লাইরিকনি।" রাজম অসিগী মতুং দ ফুরা অসি গরিবনিবাজগী মতমদ (খৃঃ ১৭০৯ ১৭৪৮)দ শারমগদবা মাল্লি।

খেলচন্দ্রঃ— অহানবা মনিপুর রাইফলসকী কম্পাউন্দদ লৈংলিবা সনামহীগী ফুরা অসি গরিবনিবাজনা শারবত্থ চহী ৭ থুম্বাকপদ থুগাইখি হৌজিক্কী অসিদি কুলচন্দ্রগী মতমদ অমুক শাগংখিবনি।

·ঃ কমঃ অব্রা· থংবা ব্রহ্মাদেশ অসি মতম অমদ হিন্দু কলচরন জয় তৌরম্মী। লাইহিরিগী লাইরেক্স মখিং পনবা য়াই। মৈতৈ পুরান বীজয় পঞ্চালিদ য়াওবা বিষ্ণুগী রাজম অচু অচুবনি হায়না লৌদে। (কুরি খোৎনকুই হায়রবহনি)

সেমিনারগী নৈনথিব শরুক

মনিপুরগী

নুঙ্‌দ হকলাম শাক্তমশিং

মুহং—পাইখুম

(প্রো: নীলবীরগী বাহং:—

(১) পেপর অসিগী অইবন লা: ২৫গী অহাম পেরেগ্রাফকী অরোইব পরেংদ "খুন্‌গী ১৫শুম চহি চাদ নুঙ্‌দ হকলম লাইরিক ময়েকস্ত তেংনৌপল লিলাদ লৈব থোইবুদগী ফংলে।" হায়রিব নুঙ্‌ অসি চেকোঙ্‌ অসিগী লা: ১১গী ওইথংবদ পল্লিব থোইবু মরিংগী নুঙ্‌ অসি ওইরবদি কিয়াম মতমগী ওইকম থোকওইদ্রে। থাগেম্বগী মতুংদ প্লাকপ নিংথৌ চয়্যাইরোংবদগী মাড়িংকী (১৮১৩—১৮১৯) মতম ফাওবদ ওইব য়াবগী মওং লৈ। অকুপ্প মরোলদি "নুঙ্‌দ হকুম হরম্মশিং"গী মতাংদ পীদ্রে। (২) লা: ২৫ অনিশুব পরেংদ "মনিপুরগী নুঙ্‌গী শক্তমশিং অসি হিন্দু লাই নীংগী ঊথিল্ল মাল্লি" হায়রিব অসি কদাই য়াওবা চুমবগে ?

৬শুব চহি ম্লগী নারেং কোন্নজিইন্দ লৈব নুঙ্‌গী মী" অমসুং "চাপ্রুম চীংজেংগী লাই নুপা নুপী" (মনিপুরী আর্টকী বারী শিং-লুন.৩শুব লা: ২৫) হিন্দু লাইনীংগী ওইকম থোকপ্রা ?

৩শুব পেরাদ "পোংগী নিংথৌ খিথোম্বদগা, বিম্নগী শুক্লম কংখি চায়ন চৈথারোল কুম্বাবদ রেকোর্ড তৌরি" হায়রিব অসি খেলচন্দ্র অমসুং ইবুংগোহলন ইদিত, তৌব চৈথারোল কুম্বাবদদি য়াওদে।

(৩) অহুমশুব পেরাদ "কিয়াম্বগী মতমদগী হৌন হিন্দু লাই নীংন, খুমাং চাওশিন্নরে" হায়রি ! অসি করম্ব মওং ম হায়বীবনো ? খৃঃ ১৪৬৭তগী ১৬৯৭ ফাওবদ পানখিব নিংথৌ ১১ হায়বদি কিয়ম্ব-দগী পাইখোম্ব ফাওব অসি হিন্দু লাইনীংদ লাইমীং লৌখিদে। হিন্দু লাইনী ন খুম্মাং চাওশিনখিবদি গরিবনিবাজ ১৭০৯ ১৭৪৮) দগী ওইকম থোকই। (৪) অশুব পেরাগী অরোইবদ "বামোন-শিংন চঙ্শিন্নকপ অসিন মরমওইদুনা মনিপুরদ মুঙগী শক্তমসু হৌ-দোকখি" হায়খিরি। ' ১৫শুব চহিচাদগী মনিপুরদ বামোন চঙ্শি-ন্নকপা হৌই হায়বসি অরাম্বন মানৈ'। অদু ওইরবদি ১৫শুব চহি চাদগীন ১৭শুব চহিচা লোইশিন্নকপ, পাইখোম্বগী মতম ফাওবদ শারক হকুল শক্তম থর্গ্য পনবীয়ু। ৬শুব চহিচাগী নারেং কোন-জিনগী মুঙ্গী মী অদু বামোনগী ঈথিল ওইগদ্রা ? (৫) লাঃ ২৫গী অরোইব পেরাদ "খাগেম্বগী মতমদগী (১৫৯৮-১৬৫২) কংলাদ লাৎলকই" হায়রি অসি অদোমদু মাখিরত্রা ? চিতানন্দ শর্ম্মনা হায়রদু: মশুব অতোপ্পা কংকোর্দ লৈবীত্রা ? (৬) লাঃ ২৫গী অরোইব শক্তক অমসুং ২৬কী অংৌবদ খাগেম্বন বিষ্ণু লাৎলম্বগী মওংদ চিতানন্দ শর্ম্মন হায়খিব অসি মাখিনিংত্রা ? চৈথারোল কুম্বাবাদ "লাইগা-নিংথৌগা হি তোংবদু অচুম্বা হৌএ।" হায়ন ইবহুবু মীতৈ হিন্দু পন্দিৎ শিংন "বিষ্ণুগা নিংথেমগা হি তোংবদু অহুবৈ হৌগ্র" হায়ন অর্থ হন্দোকখিব ওইগনি। "লাই" হায়রিব অসি চীংঙু লাই বাহায়রবু (সনামহী) ওইগনি। চৈথারোল

কুম্বাবদ য়াওব "লাই" হায়ৰ বাহৈ অসিবু বিষ্ণু হায়ন অর্থ হনব তাবরদি লাইরিক অসিগী লাঃ ৩২ অমসুং ৭০দ পল্লিব "লাইনী থো" হায়বসিবু বিষ্ণুগী থাং হায়ন হংব তাব্রা ? শম্ব হায়ববদ থাগেম্বন বিষ্ণু লাৎলম্মী হায়বসিগী মবমদ ইব .ফাঙলব নত্রগ ফোঙ্ব্রব আরন লাচরিকী মমিং কায়নি যু ।

অচৌ লাইশংবমঃ - পোং নিংথৌনা পীরকই হায়রিব শরুম অসি মুঙন শাবনি হায়বনিবু অচুম্বরা ? (অরিবম লাইরেম্বীগী শরুম অসি মুঙন শাবনি হায়ব অমদি মসিগী পাক চাউবগী মতাংদ কদায় ফাওব চুমবগে হায়বসিম্ব মাইচৌ অসিন থঙ্নিঙ্থি) বিষ্ণুগী শরুম অসিগী মতাংদ সেমিনার অতুগী .প্রসিদেন্তন মথাগী অম্বম্ব শেংদোকখি মতুদি অহান্নগী অশেংব শরুম অতুদি মুঙনি কেংম্ব চন্দ্র কণ্ডিগী মতমদ থাভুনা য়োমশিনখিবনি । বাকম অসি সেমিনাব হৌত্রিহৈঙদ লাকপীরিব পন্দিৎ শিংগম্বু খল্লব্রবনি ।

ঊলেন মীতৈ, সানতিকুমার হুইদ্রোম নচিংব মীশক কয়ানম্ব থবায় য়াওনা বাহং কয়া হংবীখি ।

জেনরেল সেক্রেটরিগী

রারোল

ইউনিভর্সেল লিটরেরি এসোসিয়েসনা শিন্দুনা ওক্টোবর ১৮, ১৯৮১ নোংমাইজিং জুমিংকী অয়ুক পুং ৯ তাবদ "আরকিও লোজিকেল এন্দ হিস্টোরিকেল মোনুমেন্টস ইন মনিপুর" হায়ব সেমিনার অমা যুমথাম ইরাবত, ফুদ এন্দ সিভিল সপ্লাইজ মান্ত্রী অমসুং এলাংবম নিলকান্ত, ডাইরেক্টর আর্টস এন্দ কলচর, মনিপুরনা চিফ গেস্ট অমসুং প্রেসিডেন্ট মঙাংসিংনা ওইবিদুনা সঙ্গিত কলা সঙ্গম হোল, খুরাই লমলোংদা পাংথোকখি।

চিফ গেষ্টকী রাজাংদা যুমথাম ইরাবতনা "মনিপুরগী অরিব পোৎশিং থিজিনব অমসুং মসিগী মরমদ নৈনব অসি তুংগী মীরোলসিংদা শক তাকনব মরম অমনি অদুগ হৌজিক্কী সরকার নত্ত কেবিনেটকী থাক্কাওব বাফম অসি থম্লে" হায়না ফোংদোকপিখি।

প্রেসিডেন্টকী রারোলদা এলাংবম নিলকান্তনা "মনিপুর অসি মমাংলৈকী হৌনা চাওথংলকপ ওরম্না অসিগুম্ব থিজিনিংঙাই ওইব পোৎসিং অসি য়াম্না লৈ অমসুং মসি পুম্নমক তসিগী মীয়োলন থিজিনমিন্নবা পামজে" হায়রকখি।

সেমিনার অসিনা শরুাইববা মীওই তরুকপু অইবা চে পাথোকপিনবা শিঞ্জবনি। মথোয়সিং অহৃদি ১। নিংথেমচা হিরণ্য—কংলা, ২। কৈসাম চন্দ্র সবিতা, এসিষ্টেণ্ট ক্যুরেটর, মনিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়ম—মুংদা হকলম ইরম্বসিং, ৩। থিয়াম সুবোল, ক্যুরেটর, মনিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়ম— রেডিও কার্বোন দেটিং ৪। এল: মঙ্গি, সেনিয়ার আর্কিতেক, পী: দব্লিউ: দি: — আর্কিতেক্কী মীৎয়েং দ মনিপুরগী মোনুমেণ্টসিং ৫। নিংথেমচা সনাহল —মনিপুরগী অরিবা ফুরাশিং (ইতিহাসকী মীৎয়েংদা) ৬। এস: ভৈগ্য, রেজিষ্টরিং ওফিসার মনিপুরগী মুংদা হক্লবা সকমসিং অসিনি।

হ'নিংব রাংসু কুপ্পা নৈনমবগীদমক অইবা চেরোলশিং অসি নমথোক্লগ ঐথোয়না দেলিগেটসিংদ চয়েল অমগী মমাংদা য়োহনব তমজখি। চাওরাক্লা দেলিগেট ১২০ অমসুং শরুাইরব ইনভাইটিজ ২০ রোম হিনখিব সেমিনার অসিদ খ্বাইদগী মতম শাংনা নৈনহিব চেরোলদি সে মন'র অসিগী অহাব-পেপর পাবিখিব নিংথেমচা হিরণ্যগী কংলানি' হায়না পঞ্জনিংই। মুংথিলগী মতমদা চাকলেন অমগী তুংদা পেপর পাবগী মতম য়ৌখ্রিবৈদ মুতুর ম্যুজিয়মগী মাইকৈদগী মুতুর বহাদুরন অরিব মনিপুরগী অয়েকপা লাই অমসুং মুঙ্দা হক্লবা কয়াগী স্লাইদ সো অমা সেমিনার অসিগা মরি লৈননা দেলিগেটশিংদা উৎপিখি। এ: আই: আর: ইম্ফালনসু মুমিৎসিগী মুমিদাং পুং ৯·১৫ মিনট

১৫গী রেডিও রিপোর্ট অমা মীয়ামদা তাকনখিবগী থুদোংচাবা পিবিখি।

থিয়াম সুবল, ক্যুরেটর মনিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়ম, দি থুদোং চাদবা থরদগী মশামক্তা অইবা চেয়ে'ল প'পোকপা ঙম'খত্রে ।

সেমিনার অসিগী লোইশিল্লকপ মতমদা সাইরেৎ নীলবীরন কনভেনর ওইদুনা ১। নিংথেম া হিরন্য, ২ নিংথেমচা সনা হল ৩। ওইনাম ভোগেশ্বর ৪ নিংথৌজম .খল ন্দ্র ৫। এলঃ মঙ্গি ৬ হাওবম গৌরদাস ৭। মুতুবা বহাদুর হায়রিব মীওইশিং অসিনা শাবা রেকোমেন্দেস ; সব কমিটি অম .শমখি । অসিগী অহানব মিটিংদা মখাগী রাপেপশিং অসি রাগল মাম্না তাখি। মহুদিঃ—

1. To protect the sites, monumen's in the old Capital of Manipur including the old Moats on the East, West, North and South.
2. To publish all the Historical literatures relating to the old Capital of Manipur.
3. To take up the necessary excavation works within the bounds of the old Capital.
4. To approach the Government for encouraging further discovery of works of sculpture and stone inscriptions.

5. To Conduct a comparative study of local architecture style with those of the neighbouring are and fix the date of their construction.
6. To take up necessary measures for the discovery of Manipuri historical monuments, stone inscriptions images etc, outside Manipur.

মথক্তা পঙ্ক্রিবা সব কমিটিগী কনভেনরশা মরি লৈনবা থবক-সিং অথুবা লৌথৎপীনব হায়জব হায়ব বায়েপ অমস্ত ইউনিভর্সেল লিটরেরী এসোসিয়েসনগী ইকজিক্যুটিভ বোর্দগী মিটিংদ তাগে।◎

সেমিনার

আরক্যোলোজিকেল এন্দ হিস্টোরিকেল মোন্নুমেণ্ট ইন মনিপুর

তিনখিবা শরুাইরবা মীওইশিং:—

চিফ গেষ্ট য়ুমখাম ইরাবত,
হোর্নবল মিনিষ্টর, ফুদ এন্দ সিভিল সপ্লাইজ

প্রেসিদেণ্ট এলাংবম নিলকান্ত,
ডাইরেক্তর সোসিয়েল ৱেলফিয়ার, আর্টস এন্দ কলচর

অইব চেরোল পাথোকখিবশিং

১। নিংথেমচা হিরন্ত

২। কৈসাম চন্দ্র সবিতা — এসিস্তেন্ট ক্যুরেটর,

৩। এস: ভৈগ্যা — রেজিষ্টরিং ওফিসার

৪। এল: মজি — সেনিয়ার আর্কিটেকচর P.W.D.

৫। নিংথেমচা সনাহল —

৬। থিয়াম স্নুবোল —ক্যুরেটরদি থুদোং চাদবা থরদগী মপাঙ্গক্ক শরুক য়াবা ঙংখিদ্রে।

পাউজেল কংডুমা লেগুবীরকথিবণীং

১। ওইনাম ভে'গেশ্বর —পন্দিত
২। নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র —পান্দিত

৩। নিংথেমচা কমলজিৎ —ইডিটর (মরূপ)
৪ লোংজম জয়চন্দ্র —ডিপুটি সেক্রেটরি, এমঃ এসঃ কেঃ এঃ
৫ কোইজম কুলচন্দ্র —মুনিসিপাল কমিসন'র
৬। মুতুয়া বাহাদুর —মুতুয়া মু্যজিয়ম

সেমিনার অসিগী ডেলিগেৎশিং

১। এমঃ লুখোই —মোদেলর, আরঃ এমঃ সিঃ
২। এলঃ হেরামনি —তুরিজম ওফিসার
৩। টিঐচঃ জুগিন্দ্রে —প্রেঃ দিঃ এমঃ ক লজ ওফ আ'র্টস এন্দ কর্ম্মস
৪। ঐচঃ গৌরদাস " " " " "
৫। এঃ বালকৃষ্ণ —নিউজ ইদিটর পীঃ আইঃ বিঃ
৬। বাইঃ লালবাবু —ডিপুটি ডাইরেক্টর; A/Cs তুবিজম
৭। টিঐচঃ ইবোবী ওজা পোপুলর হায়স্কুল
৮। সিঐচঃ নিমাইচাঁদ —হেড মাষ্টর সগোলমাং হায়স্কুল
৯। টিঃ বাবু —প্রিন্সিপাল আইঃ টিঃ আইঃ

১০।	এল: রাইচন্দ্র	—নিংথৌখুং
১১।	এম: পঞ্চানন	এস: দি: এ: ও: (এগ্রো)
১২।	ও: ইবোহল	—কোংপাল চিঙ্গাংবম লৈকাই
১৩।	এল: দোরেন্দ্র	এল: রাই: এল:
১৪।	ও: ইবোচৌ	এসিষ্ট: প্রো: এম: ইউ:
১৫।	এস: বসন্ত	— এসিষ্ট: তিচর লম্লাই হায়স্কুল
১৬।	এম ইন্দ্রজিৎ	— নোংমৈবুং
১৭।	এন: খ [illegible]	— এসিষ্ট: টিচর আনন্দ সিংহ একাদেমী
১৮।	এম খনেন	" " " "
১৯।	প্রো: ও: ভোগেন্দ্র	—মোর্ডন কলেজ
২০।	কোন্সম অঙৌবা	—কোন্সম লৈকাই
২১।	সিঐচ: ইবোবী	" "
২২।	কেঐচ: ইবোবী	—কোংপাল
২৩।	এনজি: গোকুলচাঁদ	এসিষ্ট: তিচর লমলোং হায়স্কুল
২৪।	এল: চন্দ্রসিং	—অরবান কো: বেঙ্ক
২৫।	ডা: এস: খোলমনি শর্ম্ম	—খুরাই চিঙ্গাংবম লৈকাই
২৬।	টি: তোম্বা	" সাংজোর লৈকাই
২৭।	এম: নিলমনি	—নিংথৌখুং
২৮।	ডা: টি: জুলোন	—খুরাই চিঙ্গাংবম লৈকাই
২৯।	প্রো: নিংথেমচা সদানন্দ	—ডি: এম: কলেজ
৩০।	প্রো: এন: চোঙ্খোন	" " "
৩১।	প্রো: এন: তোম্বী	ইম্ফাল কলেজ

৩২ রাইঃ বিজয় —খুরাই অহোংজ

৩৩ রাইঃ কুঞ্জবিহারী —লেকচরর JNSS

৩৪। দা; এন; ইবোবী—ডি; এম; কলেজ আর্টস এন্দ কর্মস

৩৫। দা; ই; দিনমনি এম; ইউ,

৩৬। প্রো; টিএচ; ইবোহনবী-ডি, এম, কলেজ,আর্টস এন্দ কর্মস

৩৭। প্রো; এল, দামুদর ইম্ফাল কলেজ

৩৮। উলেন মীতৈ লিপিক্স এ; আই; আর;

৩৯। প্রো; ই; রজনিকান্ত দি; এম; কলেজ সাইন্স

৪০। প্রো; এস লোকেন্দ্র " " "

৪১। তিএচ; সোনামনি — অঙগোম লৈকাই

৪২। পী; কোকঙাং —ইন্ডিটর, ইরৈবাক

৪৩। ও; ইবোপীশক খুরাই থাংজম লৈকাই

৪৪। রাই, ইবোচা সাইবম লৈকাই

৪৫। ডা, ভি, শান্তি আর, এম, সি,

৪৬। তিএচ, লৈবাকমচা দিউতি ওফিসার এ, আই, আর,

৪৭। কেএসএচ; নবকিসর কোংপাল

৪৮। এম; বাবুধন —এসিষ্ট, টিচর খুরাই গার্লস হায়স্কুল

৪৯। তিএচ; মনিহার (ব্রজমনি) —খুরাই থৌদাম লৈকাই

৫০। এল; তোনদোন —খুরাই

৫১। জি,এ; প্রেমকুমার ইডিটর মালেম

৫২। এঃ ব্রজেশ্বর ইউ, বী, আই,

৫৩। এস; বীজয় " " "

৫৪।	এন: জুগিন্দ্র	খুরাই
৫৫।	কেঐচ: সুরেন	—এম: এস: কে: এ:
৫৬।	এল: অশোকুমার	" " "
৫৭	শরত শর্ম্মা	ইডিটর "
৫৮।	প্রো: ডবলউ: ব্রজমনি	—বি: এম: কলেজ
৫৯	টিঐচ: বীরেন	—থাংজম লৈকাই
৬০।	আই: বীনোদ	—লক্ষীপুর বজার
৬১।	প্রো: কে: মনিকচাঁদ	—জি: পী: বুইমেনস কলেজ
৬২।	এন: ইবোচনবী	—সেক্রেটরী, এস: কে: এস:
৬৩।	এল: নবকুমার	—লাইরিক য়েংবম লৈকাই
৬৪।	বাই: নিলকান্ত	—খুরাই লমলোং
৬৫	সিঐচ: ভগিরথ	—খুরাই চিঙ্গাংবম লৈকাই
৬৬।	টিঐচ: ইবোবী	" "
৬৭	এন তোম্বা	—ইডিটর, ফ্রনটিয়র ক্রোনিকল
৬৮।	শান্তিকুমার হুইদ্রোম	—হুইদ্রোম লৈকাই
৬৯।	বাই: ভিম মীতৈ	খুরাই লমলোং
৭০।	কে: জয়ন্ত	" "
৭১।	ঐচ: নব	" "
৭২।	নিংথেমজাও	—য়ুম্নাম খুনৌ
৭৩।	য়ুম্নাম তম্বাজাও	—কে/ও ঐখোয়গী কংলা

মসিদা করিগুম, চিথবা য়াওবিরবদি নিংশিংবীরকউ, মথংগী খুৎলবনবা হাপচন্নবা থোরাং লৈজরি। —পব্লিসর

রিসেপসন কমিটি

চিয়ারম্যান— প্রো: সাইরেম নিলবীর, ইডিটর, মতমগী খোঙথাং

— নিঙোম্বম ইবোহল

—য়ুম্নাম বুধচন্দ্র

—য়ুম্নাম নবকুমার

—কোইজম ধীরেন

সগোলসেম মনিহার

[illegible]

[illegible]

হৈজঙ্

[illegible]

মদিং কাবা

[illegible]

হুমন উপরোল

[illegible] Pt. I. II.

[illegible]-ছুইন

ইশারোল